ফোকলোর নৈনবদ

(On the study of folklore)

তখেল্লম্বম তোম্বা সিংহ

ফোকলোর নৈনবদ

মীওইবা ফুকপ কল্পনা করন্না হিংবগে হান্নবা ঐখোয়না অদুম য়েংশি। কম-কাংখালান ওইরবসু লবুক-লমহাং, চীংদ-মান্দা ওইরবসু, পৎ-কোন্দা ওখি চকখিবা ওইববসু শু বোম্মি। মীয়ামা হিংবদা চংবা চানবা পোৎ-চৈ, শেংন ইন্নবা ফি-রোল পুথোকই। সুন-বৈ শাহ্নাবলে। ওংগনি সিনেমা, ড্রামা, নোভেল উপন্যাস, অনৌবা মখলগী ঈশৈ-লোংমায়, অংগাই অমস্থং মত্রগী নতেংবনা শান্নবা লিলা মখল নন্না কয়ানা মীয়ামগী পোৎথাকস ওইনে। মীয়ম ওইবিদু, নিমা-নামা যেংলুবা ওইরবসু ওসি যেংগনিবা পুন্নমক অসিগী চৌরকপন লৈতবা নত্তে। কোরো নোংখত্তগী থাদনকপা নত্তে। মথং মাং অহুম ৎল্লকখিবা, চাওথখনকখিবা নিত্তবা নত্তে। লম অমদগী অমদা চংনকপা লৈখিদবসু নত্তে। মালেমসিদা লৈরিবা মী ফুকপ কল্পনা হিংনবগী লাস কয়া মতং য়ামদা থেংনখিদবা নত্তে। অসিগুম্বা হিংবগী লানকমদা য়োৎশু খুংগু, লেংয়ান, থৌয়ান, ছুই, উকায়, য়োৎচৈ, য়োৎথাংলি, তওল উমং, শেল্লুক, নাচে, ওয়েং, পুখম, তেন্নোং, চফু, উয়ান, খাংগনু সাংশোক ফনন ন্নই কয়া থোরকখি। অতত্মা কনা খংদনবা হায়দুনা 'কেনং কেবু কেনং কিশি' হায়বা ভাঙনবা চুমগী লোল-দগী শেমদোকই। লোল অসিমক লায়না থোনকখিবা নত্তে। খোংজল মথন কয়া, ইন্নিং কয়া শিজিন্নরমনি। হুই লোংথা, পুং য়াবা, খুৎ-শা, থোঙন লেং ওইপা, ফিজং, মচু, পুংলোন, লৈপুং

থোনগৎপা, উ-রা যুংবা, মৈহুম-মোবোক পুদুন। চৎপা, কোক্কা উশা হাপকৎতুনা চৎপ। চিন্না রা ভাওবদগীবু হেন্না তৌরিবনি। পুন্নমক ফুরুপ নাইনা ছি বগা মগি লৈনরিবনি।

পৃথিবীগী নোংচুপ লৈবাক কল্লাদ অরা অমা ফোংদোকপদা অমুবা ফি শেংথি, খা-নোংমাক এশিয়া, নোংমাক এশিয়াগী [illegible]মদনা অরা-অনা [illegible] নাওইবদা অ[illegible] [illegible]। থরায়গী [illegible] ওইনবা মণ্ডোইনা শেংনম্রবা নুপীনা [illegible] ফনেক [illegible]তুনা তেংথা নাওইগী অয়া শক্তম ফোংদোকফি। কায়নরাগ থরবা [illegible]মদা অঙৌবা [illegible]না শেৎপা [illegible] [illegible] অনা [illegible] হুকচাংগী মথক থংবা [illegible] অঙৌবা [illegible] [illegible], [illegible] নংনানিকো নত্রগা কায়নরগে থনবদা অঙৌবা শিজিনা, [illegible] মাইক হয়াওবন। পুরিং তথরুনা অঙানবা [illegible] [illegible] লমগী চৎনরিনি। মপুক্রিং নুংশিত মথক ই থুংঙাক্চবা [illegible] লৈবদা থক্কী ফি অমুবা শিজিন্নবা, কায়নবগে [illegible] মহাক কায়নবগী অঙ্গাবা ফোংদোক্লগ থনবা [illegible]গী থক[illegible] অনিমক অমুবা শেংতুনা চৎপা নোংচুপ [illegible]গী চৎনবীনি। [illegible] শেৎপনা অসুম্না তেঙান তোঙানবা পুক্রিংগী মাংতক্রবা ফোংদোকই। নুংশি-নুংঙোম্লোন্দা নুমা-পাখং অনিনা মচিন্নাদ ফোংদোক্লগা ফিজেৎনা ফোংদোকপা চৎনৈ। মিৎলুদা পিয়াং ঈহৌনা, ফিনু শেৎনা কংশিল্লব। হুকচাং পুদুনা চৎপা, "নহাক্কী শাজৎ অদুনা ঐগী থম্মোয় লাওহল্লে" হায়না অমাংবা শেৎপা তৌনৈ। লাইগী থৌরমদা, লাইমাংগী জগোইদা, অশি-অনাগী থৌরম কয়াদ ফিনা অঙৌবা ওইদবনি, অসুম্না খাওম ওনগদবনি, শা-লানগী ওইরগনা অশুম শেৎকদবনি চৎনবী কয়া লৈরি। চিন্না ফোংদোকপদগী হেন্না লূম্নবু ফোংদোকই। অদুবু করিগী থরার নুংঙাইতবা, তেংথা নাওইব অঙৌবনা ফোংদোকনুরি। করিগী নোংপোক

লৈপাক থরদা ফি অঙৌবা মচেৎশিং ময়াম লাকপদা ম্নেনদুনা তেংথা নাওই ফোংদোকলুরি।

চেং, হৱাই, লৈনচিংবগী ময়াম অমনা অদুক লুরবা নুংশি চিঠীদগী হেনবা পাওজেল অমা থোৎ-নৌরবী মহাক্ন ইবগী চৎলবী লৈক্লিঙৌদা পিদুনা মহাক্কী থম্মোয়গী ৱা ফোংদোক্লবগী পাম্নে ওইক্রবনো? করিগীদমক্ত' ঙসা ইবেমা, থংগোন মামজা পাম্মুবী হায়ক্লবগে? করিগী অঙৌবা রুমাল অমবু খুদোনদাৎ ওইনা পিদুনা কাৱন-হ্রাকৎ পিক্লবনো? খম্মোয় তমিক-তমিক্লা, নিংথু পিরাং ঈহৌনা পিক্লবা রুমাল অঙৌবা কিগী মচেং লবুগী পাক্ক অমুক হৌরবদি নত্তা। মৌনা পিংদা চত্লবা মতমদা করিগী নিংদা চিংথৎনা শেংগনো, করিগী মক্কোক থুম্বনো? [illegible] থম্দুনা থবাল লৈমাং লৈম্মাননুংদা লেপিক্লা কোয়না লৈতেংবদা করিগী শাই ককলুবনো, করিগী শাইনোন শেনলুবনো?

লৈমায়দা ফক্কাংদা ম্নেকপা মচেক কাংনা হিংলু নুপী [illegible] হাওদি করম্না ঙাকথোকপা ঙমলিবা! লুহোংবা মতমদা করিগী নৈ কোয়রিবা অদুগা লম্বাইগী শম মম্বাইদা [illegible] মতু তৈরুশিবা!

মৈতৈনা শিবা মতমদা করিগী লেক্রু মক্লপপু মোন [illegible] থাঙহন্লুবা। তিক্কংকী লনদা হান্না শিথ্রবা মীগী মচেক [illegible] অশিবা পুথোকপদা পুং ওইনা য়েক্রুবনো? মীশি চুংনবু [illegible] শোরো শোরো চিংদুনা লমহাং লনজাও তান্না [illegible] থাইশিংনা করিগী অশি হৈবোং মখোংদা অশিবগী শরু উং [illegible] লুবনো? থা কানাড়াগী বিলাভা কাংবুনা মথাল লৈজত্রবা তনিক তনিকপী অমবু অশিবা অমগা হান্না করিগী লুহোংবিক্লবনো? লাইমিং লৌরিবনি হায়দুনা করিগী থোংনবা হকচাংগী ইম্রি ময়াম ফিনুংগী শরুকপু মচেং অমা ককথৎলুবনো? করিগী বোরানিও

হায়বা লৈবাক্তা মাগী তালোয়না চাবোক মৈনিং কুল্লগা করিগী মফম অতোপ্পা অমদা মহাকস্ মপা ওইরবস্ মৈনিং কুনবগে ? মরৈ থাবা, মরোল নিংথিনা থোক্তবা অঙাংবু করিগী অন্না-উরৈরোম মশানা ফুরুবনো ?

উপান্দাগী নুপী পুম্নমক সুহোংবা মতুংদা মপামদগী লফোই লফাং তরানিথোই, য়েন নব্রগা উচেক তরানিথোইনচিংবগী পোলাং থিল্লকত্রিবমখৈ থবক ও-নোম্বা য়াদ্রিবনো ? অদুসু থা অমা ফাদ্র-বদি থিল্লকপা য়াবা নত্তে। লাইমিং লৌবনি হায়দুনা করিগী মীগী মনাতোন হুৎপনো ? সনা য়াল্লবোইদবা, লৈতেং শিররোই-দবা নুপাগী মনাবু করিগী হুৎপিবনো ? করিগী মমাই ফজখ্রবা মখোং, মখুৎ, মথবাকনচিংবদা মচু-মচু তৌদুনা য়েকসুবিবনো ? অস্ট্রেলিয়াগী মী ফুরুপ থরনা করিগী নুপানা নুপী হায়গদৌবা, লুহোংনবগী হৌগদবা অদুবু নুপীনা করিগী নুপা হায়বা, লুহোংলসি হৌনবগে ? পোকপ্ত পোবক্লিবা, মচানুপী নুপা অমত্তা পোক্তনা তোকখিবা য়াবা নুপা নুপী অমবু মখোয়না পোক্লক্কদবা মচানুপী পিবিয়ু করিগীদমক্তা পোৎ-চৈ পুদুনা হায়রুবগে ? করিগী শ্রীলঙ্কাগী ভেদ্দোইড ফুরুপনা মনাওনুপা শিরগা ময়াম্বনা লাই তোংদুনা মাইবী চংদুনা লাইপাও চেনবগে ? করিগী তর্কশিংনা হুমাং ঙানবতবু ইরুজবা ওইনা শিংথানবগে ? অস্ট্রেলিয়াদা করিগী উথক্তা উশা-ব্রাশা মথক্তা শগাই শাদুনা অশিবা থম্বনো অতুগা জাতি থরা অমনা করিগী অশিববু মৈখু চাহন্দুনা লিদুনা থা কয়ামরুম চুপ্পা থমলিবনো ?

ব্রারামুংগাশিংনা শিরমদাই পুং অমগী মমাংদা মানা লৈরম্বা য়ুম শিদোকই, যুমদু পুম্মাঙ মাঙএ। মপুরোইবা শিবা ওইরগা লব্রাই লেমফুদা চৈনা থিন্দুনা ঈ তাহল্লি—মাগী তালোয়দুনা। থা ভারত্তনা মচানুপী লুহোংলগা মমানা মখুৎ থুৎশা ককতুনা লেন্দুনা ঈ তাহল্লি।

ম্নারামুংগাশিংগী অওকপা ফজরবা চৎনবী অমনা অশিমগী চহি ১/২ চংগদৌবা থৌরম অদু লোইদ্রিফাওবা ম্না ভাওবা য়াদে। ইন্নিৎতনা মখোয়গী লোল ওইগনি। অদুগা অন্দামান ইথৎতনা অশিবগী অল্লা–তেংথা ফোঙদোক্লবা হঙ্গামপাল লৈঙাং মশাদা তৈশিনগনি। করিগী মৈতৈনা মমায়দা লৈশা নম্বা অমসুং চন্দোন থিনবা তৌরিবগে? শেংনবনি হায়দুনা করিগী তাইরেন হায়দোকপগে? করিগী লাংথ্রেবু অশেংবা নৈ ওইনা শিজিন্নবগে?

করিগী ময়ুম পান্দ্রিবীবু "লৈশাবী" কৌবগে? করিগী 'পুথম' 'তেঙ্গোৎ' হায়না কৌরুরিবনো? করিগী হন্নাওবদা হন্নানবা ফাবী, ভাপ্রুম ফাবা, শরেন চনবা, তাংখুল শরেন কৎপা, চোংথোং লিৎপা হায়না তৌরুরিবনো? করিগী অন্দ্রোগী পনম হরাওবদা মী চংহন্দবনো? তাংখুল মথিবু অতুগা তাংখুলগী অমাংবা শেৎতোক্লবা চৈবু মচা পোক্তবা পোকই হায়না নিরুরিবনো? লাই হরাওবদা করিগী হকচাং শাগৎপা, লাই লম থোকপা, লাই মুপী থিবনচিংবা করিগী তৌবগে? হাম্না লাইনা থনগ্লবা কোৎলুরবা অমা ময়ুম পানবা য়াদে হায়বা নোংপোক্কী চৎনবী অদুনা করিগীনো?

করিগী অনম অথৌ লাইশোন্দা "উম্ উংহৈ, উংহৈ......" হায়না হৌবগে? করিগী নাহরোন্দা "হা উং হা য়েং" হায়না হৌরিবনো? করি হায়রিবনো? অমুক্কা য়েংশি ঃ

(১) পিৎ তারেং রেং করসংসং।
সনসঙ লাইসঙ্ সমপিৎ পিৎ।
....

(২) ক্রমা ক্রমা লিখাও খাও
... ...
কাকলেন খুজিন চু চু।

(৩) খেংকু নম্নোম নোঙ্গৈ নোঙ্গৈ।
হারাই থাঙপাক মথাঙপাক ॥

চেংপী লোইয়া মলোইয়া
লমলোই শ্যারোই খাচিক্লা।
(৪) "তন্দন ফাইবোক্ সীরিসেন
চাওখি য়ায়ৌও খিয়াও।"
(৫) "কৌ থেম্পা কৌ থেম্প কৌনামতোন
ব্লাইচাসে কৌ কৌ"
(৬) হা নেফু! খ্যাও খ্যাও, হেব্রা হে ইত্র
শরিৎ-নিংলোননু লুখাও রুরু।
(৭) হোইরও হৈয়া হোইরও হৈয়া, হোইরও হৈয়া,
হৈয়াসোই হৈয়াসোই, হৈয়ানোই;
হিঙসোই, হিঙসোই, হিঙসোই
হুপহে, হুপহে, হুপহে হুপ।

মথক্কী ময়াম অসবু করি লোগ্নো? করি হায়রিবনা? করম তৌনা লাই হরাওবদা শিজিন্নখিবনো? অমুক লৈমরেন নাওয়োমদা য়াওবা মন্ত্র য়েংশি – (১) 'অসিদগী লাইরিংথৌ নোংপোক্ক। লৈমরেনগা ফংলাগী শাইদু মতোন্দা তখেব খুনুগুম চিনওকনঙৈগী মমিঙদি থুয়োম লাং তনৌবি তয়োম লাও তরেঙবা কৌই থুরিত্রং তৈরিতৎ কৌই। থুতর টিতর উইসনাতে হিঙনপ কৌই য়েৎওয় লৈমরেন্নে।" লৈদা শোদুনা চিনসু য়াওল কেন ওলুবদা শোল্লো। লেঙদনা পল্লে।" —লৈমরেন নাওয়োম (২) "অমরক কৌবা মমিঙতি পারংক গরেচি কৌই, শজিকতা লৈবি লৈমারেন্নে। নোঙপোক পোকলেননা ফম্বান তোংবিনে। ফম্বান ব্রানে মসি খঙলবদি মচু ফেত্র হকচাংবু ময়েঙ তাদবনে অহল ওইদোয় তৎতনা চান্নবা লৈমরেননে খঙউ।"—লৈমরেন নাওয়োম

করিগী মন্ত্রনা অগুম্বা ব্রাহ্নে-ব্রাজা, ব্রারেং অসি শিজিন্নবনো? মী হাৎনবা, কৌনবা, হল্লকবা, ঙাও-ফৈনবা, ফুগী কৌদুনা মাগী

তালোয়শিংদা চন্নবা নুপী ফামমা ত্তারং লৈথীগী মত্র লৈরি। করম্না থাজয়মক্লিব.না? পাওতাক লৌশিং পিবা কোঙাইনি ঃ অমুকসু, খম ওই য়াং ওই সেকনিংদা ইরি :

".. . মোইনপকী থোনচেল য়িংনাইপনা লৈত্রশক্তি চৈহি তসেংবা মঙাইল থংও। ...... ঈশিং থিংচেল য়াইফাওংগী ..চেন ওইনা খা—ব্রা ল'ওনা তালপতি চৈহি অনিকা মঙাইলো ..ও। শিবগী মতম তাকপনি।

এশাবা ওইরবসু, অশেংবা ওইরবসু, থেংনরুবা কন্নাদগী পোমজিনবা ওই নবু লৌশিং কয়া তাকই।

ঐনে ময়াই কাবদি ব্রাংলৈ য়ুবু হেল্লে, থকফরোইঞ... ..."

অমুসু অমুমা লাংমোলদা পাওতাক কয়া পিরি।

বিচারগী মওং কয়ানি :

মনাংঙৈদা চংনরম্বা বিচার মথল অমনা তা চায়নবা অসিনি। তেন্নসু অচুমক তৌই।

খেন্দে নিংথৌগা চাইরেন নিংথৌগা চাইনবগী মতাং লৈরি। খেন্দে নিংথৌ হাওতক্ত লাইবনা মাগী নুপী ভাওনৈ হায়দুনা চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপবু নুপী মমল হন্নবা তক্লে। চাইরেন নিংথৌনা য়াথিদে চাইরেন নিংথৌনা শরি ব্রাশক্কফাও থাজখিদে। লাইগী ব্রায়েন বিচার য়েংনবা খেন্দে নিংথৌনা মমৈদা হৌদোরকপদগী চায়নখি। খেন্দে নিংথৌনা লিরুং তেন চায়নবা অসিদা হাম্না কাপখি। চাইরেন নিংথৌনা মথংদা কাপখি —খেন্দে নিংথৌদা পানখি। মমৈদা মখোয় মরুপ ওইনখি।

ঈশিংদা ইকপহল্লগা হাম্না ফাওগৎলকপা অদুনা লাল্লে লৌনবসু বিচার মথল অমনি।

মৈতে মরক্তা তেকশিন হক্তিন্দনবা হায়দুনা চুপ শাবা চৎথে। চুপশা–মোইথেম তৌবদা মাইবা কয়ানা করিগী নুমিৎ কাপ্পগী

ৱারি লিরুবগে ? কোস্ট্রৈজম নোংফারোন্দা করিগী হুইবু শিরগা তাইবগুনা শিবগুম তেংথারুবগে ? রুশিয়াগী ফুরুপ কেট হায়বদুনা করিগী অসুম্না হুয় শিবদা মীবু শিরবগুম তেংথারুবগী মী শিবা থোকখিবগী ৱারি লৈরিবনো ?

লৈতাক্স-মোংদায় জগোই হায়বদি করিনো ? করিগী অদুম্না শারুরিবনো ? ঔগ্রী শকপা-মতমদা "হংচে কোংল্লা" হায়না হেক হেক খুমলিবা করিগীনো ? ঔগ্রী হায়বদি করিনা ?

অশিবগী লাইবু থোংঙারেন করিগী কৌরিবনো ? খমন্নুং কিকোই মৌওনবীনা পলেম নত্তনা পলেম শানা করিগী কৌথোক-পগে ? কিকোই করিনো, কনানো ?

অমুক্সসু করিগুম্না জাৎ ফুরুপ অমনা লাল হৌরকলবদি জাৎ ফুরুপ অদুগী লাই অদুবু ইরাৎ থৌনি তৌদুনা লৈঙাক ৱায়েন চৎথবসু তৌরি ঃ

"তেলংকা পাশা লাকপদি শনতুফমদা শনগী ঈনা লাৎলু ফেএ। হুইগী ঈনা লাৎলু হনখিবনে। তেখাওনা লাকলবদি লুখ্রাপাৎ লাইজিগী নুংদা হুইগী ঈনা লাৎলো হনখিবনে খঙও। খাগী খাম্রম্না লাক্লবদি য়াওরৈবীদা ঙানুগী ঈনা লাৎলো হনখিবনে। পোংনা লাকলবদি অপোং ইংখোলগী মুংদা শলগী ঈনা লাৎলু। খাগীনা লাকলবদি অৱাং পুংদা এলগী ঈনা লাৎলো। .... ময়াংনা লাকলবদি পানফৌ পুংদা হামেঙগী ঈনা লাৎলু মমিংদি খারিং হক হায়না ঙলক শোল্লু। পাশা মমীংদি রং অরংকে কে ৫ রক শোল্লু। খাগীগী মমিংদি খরহক ৫ রক শোল্লু। পোং মমিংদি রপর হায়না শোল্লু হনখিবনে॥ তখেলগী মমিংদি ররর হক অনিরক শোল্লু॥ তেখাওগী মমিংদি মুচিং, আং কৌএ।"

—য়াবীরোক

অসুম্না * অাং কুরুপ কয়ানা চিঙাক খিরকপগী লাকপবু ওইরবসু লানগাইনররকপগী লাকপা ওইরবসু কপ্পিগী অসুম্না মন্ত্র অমসুং ইরাউ তৌদুনা কংলগা মমিং মীংথে পিরগা হলহলখিবা অমসুং লাকপিনবা ওমগনি থাজরুবগে ?

খুদম চাংদম পিবদগী থংনবা কয়া অমসু লৈখি ঃ

"অতুবা উনা য়ুংখৎলকলবদি শা লান চাওনা থোকএ। অঙাংনা ময়া হৌনা পোকলবদি লৈপাক মীয়াম য়েংখিনএ। অশাওবা হৈকরী য়াথং মেংলবী সুপীদো লাইঃরম্বগী সয়ানে।

অৱাংনোমদা খৌত্রানমিচাক মটম পানবা থোকলবদি নিংথৌ মফম শিলরে.......... ।

ইরোইনা ময়ন পোকলবদি লৈপাক অচা অথক ব্রাৎতে। ইমুংদা মীনা ঈশিং হৈদোকুনা মথস্তা ঈশিং তারবদি য়ুম মপি তাবা কৌএ, য়ুম্বু শিএ। ইমুংদা লৈপ্পাক ককথাইরবদি মাঙ তাকএ। লমজাও শোরোক ককথাইরবদি লৈপাক মাঙ তাকএ। .... ঊশান্ন অনিনা অমত্তা ওইনা হৌরকবদি মপা মচা, মচিন-মনাও শা লান ওইনা য়ান্নএ। উঃচক মরুম অমনা মচা অনি কোকলবদি অঙমগা নিংথৌগা য়ান্নএ। মপা মচাসু য়ান্নএ। উরুবা মীসুং শিএ। ....উচিনা হৌদোংবু চিকবদি মী অপিক-পনা ভ্যত্রেবগী ফম ওইএ। ... .. য়েন্না মরুম মঙা খক্তা কোক-লবদি নিংখবা থুংএ। .... ফজাঅরিদি মতু-মচা শিএ। তরা-মঙাদি য়ুম্বু শিএ। ১৮ কোকবদি অনা-অয়েক নংএ। তরামা-পনদি ব্রাথোক লানথোকএ। ফুংতুনা চাথোকও। য়েন্না মরুম কোকগা মানা চাথোকবদি লোইহৈদ খংও। ......শামু মনা অমদা ৪ লোংলবদি নিংথৌগী অফবঃন। .. ... শামুগা ময়গা য়ুগ মিন্নন ওইরবদি মী, শগোল, ময়ন কাংলুপ অহন অসি তাকই। শগোম্না নোং ওইনা চুরবদি লৈবাক্কী ফংতবনে। ময়ম্না হামেং

পোক্লবদি নিংথৌ অনি চায়েএ। ......মগা শাজল পোক্লবদি লৈপাক মাঙ তাকএ। হুংঙোইনা লিলবু চারবা মী অপিকপনা অচৌবগী ফম ওইএ। ... . সুইনা শামু পোক্লবদি মপুগী অফবনে। হৌদোংনা নুমিৎ য়ুংবদা য়াম্না খোংলবদি মপুগী থৌরম ফত্তবা অমা থোকএ। নুমিং চায়বদা খোংলবদি অচা অথক লন থুম ফংজেএ কুম অদু ফৌ য়াম্না কৎলে।

নুমিৎ তারমদাইদা খোংলবদি অনা অয়েক নংঙ। নোংয়াইদা খোংলবদি মাঙ তাকএ। নোংঙাল্লমদাইদা খোংলবদি নাই, শল মাংখিএ। নুমিৎ থোকলমদাইদা খোংলবদি য়ুম চাকএ। হৌদোং মশেন চিক্লবদি লন-থুম ময়েং তাইএ। হৌদোংনা ফিরোন মথক্তা মচা পোক্লবদি নম্রগা ফম মথক্তা মচা পোক্লবদি লন-থুম ফংজেএ। হামেঙনা মগ পোক্লবদি লৈপাক নিংথৌ, মপু মনাই চায়এ। ... ... "—তিনথুম

কয়াদ গুরুব মখলগী অন্ধবিশ্বাসগী য়ুগ অমা লৈরমলিবনো? কয়িগী পাক শন্না অসিগুম্বা অন্ধবিশ্বাস অসি শন্দাকতুনা মদুদা থাজরমলিবনো?

অমুকস্থ য়েংশি ঃ—

"মাজিঙ লাৎপদি, পীগুম অনিগী তুনা লাইশম ওইয়ু। মায় থারম পাংও। লাইমিংদি ও' ফো' ফ' হায় হায় হায়না অহন্নক শেল্লো। লিকমু তরেৎনা কোনয়াই ওইয়ু। লাদি খুৎনমদা হাপও।

তিঙোইচিঙ, লৈমরেনগী ফম্ন লাৎপদি ফি শেৎফরোইএ। নাথাংদগী তুনা লাইশম ওইয়ু। নাতোন্দগী মকেনা কোনয়াই ওইয়ু। লাইমিংদি ও' ফা, হিং ফা' হায়না অহমলক শোন্দুনা লাৎলু। .... তাইবঙ নিংথৌগী মফম চেৎনবা ইরাংনে।

হৌজিক্তি তেখাওগী, তখেল্লগী, খাম্রনগী, পোংগী, খাগীগী, পাসাগী য়ুমফম্ কোনুংদা লৈএ। মফম অদুদা, মতৌ খঙনা এওলবগা, চাওহনগে, শাংহনগে, মাংহনগে, তাকহনগে হায়বা ওয়্নেন। . .. . ময়াংগী য়ুমফমদি অয়াঙ পানফৌফমনে। ইমাত্তি ভীন্না কোনয়াই ওইরো। ঈশিং-থোঙগী তুনা লাইশম ওইরো। মায়ওন্দি খোং য়ুংনা তেনবা পাংও। লাই মিংদি খা রং হুন হায়না অহমলক শোল্লো .. .. ।

অমুকসু য়েংশি ঃ—

"হুইনা হৌদোঙবু লুতান্নবগী ইরাত্তি হৌদোঙ মহাকপু ফ তুনা মচিল অদু লৈপাক্তা মঙারক সুও। হুইসু ফাদুনা খোঙনা তরুক-লক কাওও। ওইরম হুই পাইয়ু। য়েৎনা হৌদোং পাইয়ু। কারন্না পাংমা পাংমা হন্দোকউ। মন্ত্রদি লাথিল্লাং স্বহায় নমো: মঙারক শোল্লু। ... ."

থুনুং ইরাংলোন, মাবিরোক অমসুং তিনথুম্নচিংবদা পিরিবা ইরাং থৌনি, অফ-ফত্তবা খুদম কয়া, মদুগী ইরাং চবান হৌজিক্কী মীনা থাজবদা ৱারবা ঙহাক্তি। মখোয় কনানা করম্বা মী ফুরুপ্পা করম্বা সমাজগী থেংথংাদা পুরকপা পোকলকপা থাজবা অমসুং চৎনবী গী মশক্কো ?

অমুকসু য়েংশি ঃ—

মহিরেন থুরুম্নবা—

"গুরু লাইনিংথৌ শনা মহীরেন তাইবঙ পানবগী য়ুমগী নিংথৌ। চাক চাদনা চাওবা। ঈরুজদনা শেংবা চহি ১৬ কী মশক্কুম্বা নমিংদি শরনামহি কৌএ। ১২ রক শোল্লু। পোৎয়াও চুঙৌ মহিনা চুহি ৺হয়ু। চাহাও পোইরেতোনগী য়াম। লফোয় কোপোৎ, খোইহী শঙোম, খোইরু থাওমৈ। হৈরুক পানা, তুলশী মঞ্জুরী অহম কৎতুনা থুরুমজো। নিংবা থুংই।

ক্লী' কৃষ্ণায় বাসুদেবায়, অঙাং মহি ক্লী' শ্রী' নহামহী। অনিমক অসি মহীরেনগী মিংথেনে। পোৎয়াওদি য়াম কংতক, চুঙৌ মহি, শঙ্গোম তোনাদা শুম্না, লফোই কোঁপোৎ উথক্তা মুনবা তুলশী মঞ্জুরি শেন্দাং মখা শাবা ৩ শেন মখাই অনি, লাতোন অমদা হাপ্পুনা। মথক্কী মন্ত্র অসি শোন্দনা থুকমজো। হৈরুক পানা খোইরু থাওমৈ কৎতুনা থুরুমজো থৌথোক খৈবিক্তা মঙ্গল ওই। "—সনামহী ফানখোঙ

মথক্কী সনামহী থুরুম্বগী মওং অসি হিন্দুগী চৎনবী কয়া য়াওরি। সনামহি হিন্দুগী লাইরা? নত্রবদি করিগী য়াওরুরি। হিন্দুগী ইথিল চংলবা মালয়া পোলিনিশিয়ান কাঙবু চংলকপগীরা? বর্ম্মাদা লৈরম্বা হিন্দু লৈবাক অনিদুদগীরা, ফুনাল লৈবাক্কীরা নত্রগা কম্বোডিয়া কাঙবুগীরা? অসিনচিংবা কয়ামা নৈনদুনা থিবা চংই।

পুম্নমক অসি ফোকলোরগী ব্রা ঙাক্তনি। মন্ত্র যন্ত্র চৎনবী পুম্নমক॥

য়াচু শংতুনা য়াবু মুহনবা, ক্বা-চাবা, লুহোংবদা কফোই হাপ্পা, ওমুনা উশিন তৌবা পৃথিবীগী করম করম্বা মফমদা তৌবগে? মখোয় অদু কনা কমানো? চৎখিবা, পুশিনলকপ অদুগা লৈবাক অসিদগী হৌবা চৎনবীনা করিনো? করি মরমগী চৎনবীশিং অদু তৌরিবনো?

পাম্বোইবী কনানো? নোংপোক নিংথৌ কন্যানো? লাই-বংথৌ মাপল, লাইরুরা তরেৎ হায়বদি করিনো? তশেংনা লৈরম্বা জাৎলা, ব্রাখলগী ওইবা থাজবী অমদগী খ্যোন্নখিবা মমিংলা? উমংলাই কয়া অসিনা কমদোনা ওইখিবনো? থাজবী কয়া অসি কমদোনা ওইরকখিবনো? য়ুমলাই লাৎপা, অপোকপা থুরুম্বা ইপা ইপু লৎপা, চীং খুদিংবু লাইগী লৈফম ওইহনবা চীং খুদিংবু

কোয়বা লাই নিংবা-লাংপা কনাগী ইরাং থৌনিনো? করিগী অসুপ্না তৌরুরিবনো? উ, শা, নাপী-শিংবী, লম কয়া, জিব কয়াবু করিগী তাইদুনা অতাইয়োন শোন শকতুনা ভাকথোক শেন্দোকপা তৌরিবনো? মতম অমগী কোয়িন্নাসু চীং, পাং, তুরেল, লম লাইগী লাই ওহাক্তুনি।

পুম্না পুম্নান কয়া অমমা ইরি —কনানা ইবনো হায়বা অইবা তাক্তবনা মপুংনি হায়বদি ফোকলোরগী শা ভাক্তুনি। কনানো ইরিবদু খংবসু থোইদোক্না মরু ওইদে। তৌবদদি মখাগী শাহং-শিংশি হংবা তায়।

১। ইরিবা অদু করি মরমগী, কনাগী অপাম্বা অনিংবা থুংহন্নবা ইবনো?

২। ইরমলিবা পুম্না অদুদা করি নৈনরি। নৈনরিবা শাফম-শিং অতুনা করম্বা সমাজ অমগী মিংশেল ওইনা উহনবগে?

৩। ইরমলিবা শাগি অদুদা লাই-তিনগী শা য়াওরবদি; মদু করি লায়নো? করম্না লাই অতুগী শক্তম, শাখল নত্রগা মগুন শাগৎথিবনো? লাইগী মমিং অদু কমদৌনা ওইখিবনো?

৪। শিজিন্নরিবা লোল অদু কনাগী লোম্নো। লোনগী ব্যাকরন করম তৌই। শাহৈশিং অদু করম করম্বা মখলগী শাহৈ-শিংনো? করম্বা মতমগী লোন ওইগদগে? করম্বা মখলগী লোনগা য়ামখিবদগী লোনগী চারী-মৌরৌনবা কয়া য়াম্না চংথ-খ্রবগে? খোন্থাংগী অনেম অহাং হোংলগা অথ হোংবা শাহৈ কয়া য়াম্না য়াওবগে। সিংলবন অমতগী ওইবা শাহৈ কয়া য়াম্না য়াও-বগে? কেশ, টেন্স, জেন্দর, নম্বর কমদোই। অসিনচিংবা কয়া লোলগী বিদ্যা, ব্যাকরনগী বিদ্যা মতুংইন্না য়েংবা তায়। সংস্কৃত পালি, আর্য্য অমসুং দ্রাভিদিয়ানগী লোল য়াওব্রা, তর্কশিংগী, হুনগী, মোঙ্গোল তারতারগী, উরাল অলটাই, অরিবা চীনা

মোঙ্গোলিয়া, মানচুরিয়া, কোরিয়াগী লোলশিংগী খুদম যাওরা ? চীং লমদা হৌজিক্তা লৈরিবা ভারতকী অমসুং অরাং নোংপোক ভারতকী মীশিংগী লোল য়াওরা ? বর্মা, টিব্বত, ইন্দোনেশিয়া, থাইলেণ্ড, খা-চীনা, ভিয়েৎনাম, লাওজ, কম্বোডিয়ানচিংবা মীশিংগী লোলগী মচাক য়াওরা অসিনচিংবা কয়া নৈননিংঙাইনি ।

৫। পুয়াশিংদা য়াওরিবা চৎনবী কয়া করি লৈবাক্তগী হৌদ্রিবা য়াবা, ওইবা য়াবা নকুবা মরি লিথুন খোঙ্কেন পুখোকপা ওমরা ? লৈবাক অসিদা ওইখিবা, পোকখিবা মওং করি করিনো ?

৬। রাজী ওইবগা করি করি পাত্র য়াওবগে ? মখোয়গী শাজৎ লিচৎশিং অমসুং থৌদোক রাথোকশিং অদু করিনো অদুগা করিগী থোকপনো ? করি মরমগী থৌদোকশিং অদুনা মরু ওইরুরিনো অদুগা মীয়ামগী রাবি ওইরুবনো ?

৭। ঈশেগী মওং ওইরগা করি শৈশক্ত, করি শুবদা, করয়া ছন্দ পয়ারদা হুবা শকপনো ? করয়া মখলগী ঈশেনো ? ওয় ছন্দ কয়ানো ? করি থৌদোক্তা শকপনো ? কনাবু করিবু থাবনো ? করিগী অদুহ্না শৈথা মিংথোল অদু তৌরুরিবনো ? পুরিবা মনুংগী ভাবনা করিনো ? লোলশিং অতুনা করম তৌবনো ? অসিনচিংবা কয়া ঈশে অদুদগী থিবা, সমাজতুগী মশক লেপ্পা চংই ।

লিংজেন্দ ওইবা লম মমিং কুয়া কমদৌনা থোনখিবনো হায়বা য়াওগনি । কমদৌনা থোনখিবনো হায়বা মিং খুৎথোলগী মখল নৈনবনা অমনি । মরু ওইরিবা অমদি মমিং অদু করি লোলদগী করম্না থৈনরকপনো ? করি লোল ওইবা য়াবগে ? অসিনচিংবা রাহুং কয়ানি । মসি পুম্নমক লোকফোরগী রা ওহাক্তনি মণিপুরগী পুয়া লিশিং হেন্না লৈরিবশিং অদু হান্না খোমজনলগা ফোকলোরগী মচাক ওহাক্তনি ।

করম্না নৈনবা হায়বগী মতাংদা খুদম থমাই হৌ শি :

'ও মিতা,' মু মুকুন-সুক্রম,—সেম্‌-তিল্লাল-সুম্রেম

চেংলৈগী ল [illegible] পোল মতেক থমনি হায়রা। ওকাম্পিকীগী খুনুংদা চীনীনাহৌবা ১৯৫৩ গী চহিশিংদা উংখ্রে। 'হে' থী মুমিৎ, [illegible] হায়বনি।' মুংগ্রাম [illegible] মিরাং [illegible] অশিবনা লম্নি। [illegible] থমুন [illegible] ইমুংনা [illegible] অচি [illegible] খনোং [illegible] মিশক্রমনুনা [illegible] হায়রদি [illegible] ইবনা [illegible] অখোবদ [illegible], [illegible] ইহেনিং [illegible] অমতা। [illegible] মাইদোঙ্গী বিবৃতী নব করবগী [illegible] অমনি। [illegible] ওই বাদ ফুরুপ অনি অসিগী [illegible] ইতিহাস নৈনদুনা করম খোমখিবনা [illegible] অনুক [illegible]। [illegible] লাইকনি। ফেবলো [illegible] মতম। [illegible] মথংদি মাংখ্রবা ইথনিক [illegible], মাইথোংপোইটি [illegible], ইতিহাসকী সেরিজ কয়াগী মা [illegible]।

[illegible] না 'হে থা মীয়া' হায়বা কৌবদি অমত্তা (অমা, অমে) হায়না কৌনি। নুমিৎ অমা, মথা। মথা কখু [illegible] অনিতান হায়গনি। সুগ্রাম অশিবগী লাইফকুবা ওইগনি। মুংঙাই মাইক ইকপাং ফবা থুপি তোমলোইবা পিনবদু মুংগ্রেবা ওইগনি। অশিবনা থিনা ওইদুনা লৈগনি। খোজিনশিন সু থিই হায়না কৌদুনা নং নকুগী উগী শকম অমনা চপ মান্নবা মওংদা লৌগনি। মকম থন্দৈম মুঙ্গুম্বা চমলাইদু ওইগনি। মেনাখোং অমম্‌ সেনাখোং অওনা মরক মকগী। খুবানুংবু থেজুনুং হায়না অ [illegible] নগনিং [illegible] মুমগী মাকাকপু লিচাবা (লাইচাবা) কৌগনি।

অহানবা অতিয়াগী মথক্তা অনুৎ সুজেম লৈগনি। টিয়া নজ্রগা টিয়াবনা নোংথক্তা লৈ মীগী মরাইবক লেপ্পি। য়ুম শাকম য়ুম-ফমগী লাইবু কিমুং সুজেম হায়গনি। কৈশংবা লাই লৈগনি। ফৌদাং কৎকনি। লিচাবগীদমক্তা চহিগী চৈরাওবগুম য়ুমগী অরোইবদা ওক হাংতুনা থাগনি। ফুজা লাইরুদা নুমিদাংবাইরমদা কৎকনি। নুপী নুপা তিন্নবা নামুংগনি। মদু জুলাই আগস্টতা তৌগনি। লাইচা য়েংবা মৈতৈদা তৌই। নম মরোলদসু স্বর্গ, পৃথিবীবু টিয়া, ভিয়া হায়।

মৈতৈনা অশিববু খাওহল্লিবা লফু মতুপ অমসুং লাদা হিপ-হল্লিবা অর্থ য়ায়া লৈ। লফু মতুপ অদু মীগী মকোক্কী মহুৎনি। মমাংঙৈদদি লুখা থাবগী মী মকোক চংলম্মী। মী মকোক অদু ফংদ্রবা, চৎনবী অদুদা অপনবা কয়া লাকখিবদগী মী মকোক্কী মহুত্তা মখা থানবা শরু লুকং নজ্রগা লু অদু লফু মতুপ অসুনা শিনখি। মালায়ো পেলিনিসিয়ানশিংসু লফুবু মী ওইনা শিজিন্নবগী মহুৎ শিনবগী চৎনবী অসি তৌরকই। লোইতা-য়বা হায়বা নত্তে। লুতান্নবা হায়বনি। লুহোংবা তশেংনা লু মফম হোংবনি। নুপী অমবু মমাগীময়ুমদগী মপা-মমা ময়ুমগী লু ফুমফমদগী হোংলকতুনা মপুরোইবগী ময়ুমদা মাগী শরু ফুম-ফম হোংলকপা থৌরম অদুবু লুহোংবা কৌই। মুরা পাখং অনিনা পুন্সি লৈপুন ওইনগে তেমশিংনবা পাচুনবগী থৌরম, হৈরাং চামিন্নগে লৈরাং চিনমিন্নগে হোৎনববু লু-তান্নবা কৌই।

অদুনা নোংপোক্কী ফুরুপ থরুদা শিবা মতমদা মুপী ওইরবদি শরুথিনবা, শরু অদু নিঙ্গা ময়ুমনা নাকল অমা পাইবা, মুপী ময়ুমগী মুপীবুগী মবুং মৌপু অমনা নামা পাইরগা তংখাই য়েন্নবা থৌরমদা শিংজংনা ককপগী মখোল তাবদা তুং ওনশিন্দুনা য়েংবা য়াদনা লৈবা নুপীশিংনা কপতুনা ময়ুমদা চেনখিগনি। শরুগী মমল পিবা অসি কুকিদা অদুনা অাত জাতি কয়দ তৌগনি। মৈতৈদসু

শরুগী মখল অসি অপোক-অশা থাব ওইনা গুপচিল্লি। অপোক অশা পিদুনা শক মমল পিদ্রবদি নিপা ময়ুম অদুবু নুপী ময়ুম্না ইস্তোক্কনিংঈ অসুম্না মরি নৈনবা থৌরমশিংদা ঈশৈ শকপা, য়াই-শোল লোনবা অদুবু ফোকলোরনি হায়না নৈনবা মতমদা চৎনবী খাজবীশিং অসিগী মরম খঙদ্রবদি করিসু ওইবা য়ারোই।

মমানা মচাবু মথি মপুং থেম্না টোইলেৎ ট্রেনিং পিবা মতমদা সিগনেল খরা শিজিন্নে। মৈতৈ নুপীনা শিজিন্নরিবা শিগনেল অদু অমুক্ক কুকিগী মখোলনি—এ৺ এ৺, শি শি অমুক্কসু মুংশিৎপু হুই হুই হায়গনি। মসি সেমিওটিক এপ্রোচ পাইখৎতুনা খিবা চংই।

ঈশৈ অনা অমুক পাইখৎতুনা য়েংশি —

'খুরাইনা খুনফমনেন
চেংলৈনা ব্রাইনুতা
লাল্লোইন অহোঙ্গৈ
নিংথৌ পুথিবগী লৈঃকান্দা শাৎপলে''

ঈশৈ অসিদি পেনা শকপনা জগোই শারিঙৈদা শকই। হান্না করিগুম্বা অতৈ মতাংদা শক্রম্বসু ময়াই। ঐখোয়না ঈশৈগী ছন্দ, পয়ার, মিটর, রাইম-রিদম কয়া য়েংবনা খিবগী চৎনবী অমনি।

ইথনোগ্রাফিগী পান্থে শিজিন্নদুনা ঈশৈ অসি য়েংবা তারবদি: কোলাই খোলাই (কোরিয়ান, ঙা কোরিয়ান, মী কোরিয়ান), খুন ফম অখোইবা, চেংলৈ, ব্রা, মু তাই অমুগা পুথিববু পুথাইবা (হায়বদি পু-থাই কৌবা টাইগী মখল অমা) হায়না খিদুনা অচুম চুমদ য়েংবা য়াই। পদ্মশ্রী মীনকেতনদি খুয়াই হায়বসি শারা-দগী লাকপনি হায়না নিংথিনা তাকপি অদুবু কোরিয়ানা অঙনবা মতমদগী খৃস্ট তুং হৌবমদাইদা থা চীনদা লাকখিবা খৃস্টতুংগী চহিশিংদা লৈখিবনা থা পাংবা কাংবু অসিগী খোংচৎতগী কোলাই হায়বদি কোরিয়ান ওইগদ্রা হায়নসু চিংননিংঙাইনি। করি

মরমগী অসুম্না ৱাহন পিরুবনো হায়রদুনা থিওরিগী ৱা লাক্কগনি। মপা চানবগী ৱা নত্রগা মতৌ মানবগী নত্তে।

কোলাই খোঁলাই, চেংলৈ, ৱা, নু, টাই, লোজো, অহোং কোাং অসিনচিংবদি জাৎ ফুকুপকী মমিং ওহাক্তনি। খুরাই খরাদগী লাকপ তা লেনা আও মংালনি। মসিগী পত্রীগী চাওরবা খুদোন তামনি।

হৌজিক লাইশোন এআ য়েংশি।—

(১) "উম্ উংহৈ, উংহৈ, উংহৈ, বেমেই মেনগা, মএইনা থৌরিৎ থৌয়ানাং, থৌরিৎ থৌদিন লাংবু, থৌরিৎ থাবা পোংথৌ তম্মে। থাবা মাবু লাম্নংদে। মথা কোনখাংশাগী পোংথৌ মথং পিজগে কুমজা পাল্লো থোগে, তানৈবা পাল্লা তোলন ওাম্লো ওাম্লো ওংহৈ॥

নহান নোং মোংবা তুদো থোংদো নোং, তুতেং থোংতেং নোংগী থৌরিৎ থৌয়ানাং থৌরিৎ থৌদিন লাংবু, থৌরিৎ থাবা পোংথৌ তম্মে, থাবা মাবু লাম্নংদে, তুমিৎ পোংথৌ তম্মে, তুমিৎ মাবু জান-নংদে য়াত্রা কোংখাংশাগী পোংথৌ মথং পিজগে, কুমজা পাল্লো থোগে; তানৈবে তেরার ওংহৈ ওংহৈ ওংহৈ॥ ..পোং খুৎ কাইসা কাইবনা নমনবা . ...ওাল্লো তেরার॥" অনম অথৌবা লাইশোন

(২) হা উং হা য়েং থৌবিতেং লেইবিতেং, চেংলৈঙান, তংলৈঙান, উঙানথৈ ৱাঙানথৈ শিনগুথৈ শাগুথৈ চরাইনা খোংদমথৈ য়াম্বিনা খোইদমথৈ। হুইথৌনা চীংফেংথৈ কৈরেম্না মাথোকথৈ, লংমাইনা মাইহনথৈ, লংমাই হিচিন হিয়াথৌনা খিনগাইথৈ লাও-থাইথৈ, পুরৈরোম্বা অওক অঙাও হৌ, শিকপ শিকাই হৌরবনু, মমাইবা তপাক লৈহৌ মাই, লংমাই লৈহৌ মাইবীনা তাইরেন পোকনা লৌনা জাইজ খিকফেন চাইরবদা পুরৈরোম্ব মরোন থোক্লে মরি থোক্লে। খুন থন্না লান থন্না খারৌ লাইরৌ কোয় নোংচুপ

নোংপোক কোয় চুপচি লাইজি কোয়নয়ে। পান্নরৈ সেংনরসে, তিন লাই লৈরগনো লৈরগনো ॥"—নাহৈরোম

(৩) "হা য়ে তম্পাক্কা পোকলিবী, তম্পাক থিবী, তিংথৌ হুপসা হায়া, কোন্দেং, চানা, য়িমি, তোংনেং লৈশং ব্রাংলা ফৌ-বোম শাংতৌ য়েংদৌ চরোৎ ফাইবং তেংনা মানুইবীগা পোকলিবী নওবু তাইগে হাইমা তাইমা নেমশিগে ॥" অপোকলোন

মথক্কী অহানবা, অনিশুবা অমশুং অহুমশুবা লাইশোন্দা উংহৈ এ হৈ, উং, য়েং, য়ে হায়বসি করিবুনো উংহৈ ওংহৈদি মিয়াও-য়াওগী লাইনি। মসিদি কম্পেটিভ ইথনোগ্রফিগী অমসুং ডাই-ক্রোনোজিগী পাথং নত্তনা য়াদে হায়বা ময়েক লারে। থুংগী মরোলদা মাইবীবু মাই হায়না থংনৈ। লুমিৎথাবু লাৎপা, মেজিক্কী মরুওইবা, পান্থী তিন-কাং উচেক য়ায়া পুম্নমক মথন্নাই পানব. মীওইবগুম থনবা ঐখোয়না উরি।

পুয়াগী মরোল খরা অমুক য়েংশি ঃ

(১) "করি পোংনো ? নমু পোংনি"

(২) "নমুত্তাইপংও তারো।"

"নমুত্তাইবংমীও"

(৩) "কাকলেন মীওয়া নমু পোং চেনবনা তান তারিএ"

মথক্কী অসিদগী নম, মু টাই, পোং অমদি মীওইশিংনা মনিপুরদা লৈবগী খুদম উৎলে। 'অনম' নত্রগা 'নম' শিংগী মরোল লোলগী চৎলিবা শাজৎ য়েংদুনা মৈতৈলোনগা মান্নবা খোংচৎ শাজৎ ঐখোয়না উরিবা অদু কুপনা নৈনগনি।

পুয়াদা লিরিবা অসিদি য়ারি হায়বা অদুনি। য়ারিবু ইতি-হাসকী থৌদোকনি হায়না লোইনমক লৌবা য়াদে। য়ারিদুদগী ইতিহাসকী মচাক লৌবা হায়বদি মথক্তা পিখিবা ঈশৈ, লাইরা

লাইশোন, মন্ত্র অসিনচিংবা কয়াদগী অচুম্বা ইতিহাসকী ওইবা লৌথোকপা হায়বতুদি সমাজ বিজ্ঞানিক (সোসিএল সাইন্টিস্ট) শিংগী মথৌনি ।

হৌজিক মমগী মীংথোলগী পিবা লিজেন্দ অমা য়েংশি :—

"লোইমোম ফৌওইবী লাইরেম্বীনা খোয়নৌ মতাশিংগা লোয়ননা পোইরৈ মৈন্নবাক থাদোকতুনা চৎননবা ৱা তান্নবা অদু মাইকৈ ঙাকপা কৌক্রু, থাংজিং ৱাংব্রেন অমসুং মারজিং লাই মশিংনা খঙলক্কদুনা লাইরেম্বীনা চৎখ্রবদি লৈবাক ৱাহৌবা তারে খন্নর-দুনা অহীং নুংখিল থাক্তনা লাই মরিনা ঙাক শেনখি । লোই-মোম ফৌওইবীনা মতাশিংগা লোয়ননা কৌক্রু, মায়কৈ পাংলক-পদা কৌক্রনা উরে তুরেলগী ঈশিং য়েখৎতুনা ঈচাওহনবদগী মতা-শিংদি ঈরান্দুনা চৎখ্রে, ফৌওইবীদি ঈরানবা ঙমদদুনা হল্লকপদা ৱারদুনা নুমিৎ নিনি ফাইদুনা লৈখি হায়বদগী মফম অদু ফায়েং কৌনখি ।"

মথক্কী অসি ফৌওইবী ৱারোলদগী লৌথোক্লগা শরাংথেম বরমনি সিংহগী লম্নিৎলোন্দা ইরি (লাশাম ৮০ শুবদা) ।

ফৌওইবীদি লাইনি—লাইরেম্বীনি । মহাক্কী ৱারী ফৌওইবী অকোংজাম্বদসু মুংশি নুংওনলোনগী ৱারি ওইনা উৎলি ।

ফৌওইবী অকোংজাম্বা উনবদগী মুংশি মংলান্দা লুপমিন্নখি । কাওবা ঙমদদুনা মখুৎ থেক্লা পাতুনা নোংমদি পাম্মুবা অকোং মকাদা লাকখি । অকোং লৈরমদা কঙাওনা মাগী তালোয় ৭তা লেকচগে হায়খি । থওইবিখিদে ।

"নয়ুমদা মী লাক্লগা উশিঙবিশা............ চরাই লিকফক তিংথেকেচৌ কুবিরমগে ঙসি কৌবা নোং । তৌরাং ফকসু থাজরো শুমাং নখোয়গী চাইগোইমুং থুংনা থুং । ......চরাই ফকলেনচুম তিংথোকচরো, থীল্লে কুবিরমগে নত্রবদি হল্লনি তন্না নুজা ইখোঙদোই

চরাই ফকলেম তিংলে। তৌরাং ফকশিং নাইদনা থারে। থাদোকলে লোইবী হাওগী মশক্তম, লৌয়ে লাইনুরাগী মশক্তম। ফন্দোকলক্লে মশেক মওান, শাগৎলক্লে জগোয়।

ংেৎনা শাবা জগোয়না
নোংদাই জগোই কৌবনে,
ওইনা শাবা জগোয়না
লৈতাই জগোই কৌবনে
খোঙনা শাবা জগোয়না
লৈনেৎ জগোয় কৌবনে
সে সে শাগৎলু স্যা নিংথিরে।

লাইরেম্মগী জগোয়গা ঈরোইননা চুথরক্লে ফৌগী নোং। থিম্লে অঙম্বগী শুমাং চাওগোইনুং ফৌনা চীংদুম চীংদুম।"—লাঃ ৮০-৮১, মনিপুরী লোক সাহিত্য —রাজকুমারি তক্ষাসনা।

মথক্কী অসিনচিংবা ফৌওইবীগী ব্বারি অসিনা ফৌওইবী লাইগী শক্তম লৌই। লাইনি। জগোয় শাবদা ফৌনা নোং চুবগুম চুথবা হৌনদে। মীওইবনা লৌউ শিংউবা মায়পাক্লা তৌজবগীনি। চাথোক লৈবা, হার হাপ্পী হৌজিক্কী লৌউগী ব্বা নত্তে। খুনদা লৈতাদুনা লৌউবনা মপুং ওইবা শিনফম ওইনা লৈবা মতম য়োরক-পদা ফৌগী কপ্ট অমা শাগৎলকপদগী থোরকপনি। অদুম ওই-নমক মোইরাংগী অকোংজাম্না অমসুং ক্ষায়েং হায়বদগী ইতিহাসকী মীংথাল "মোইরাং" অমসুং "ক্ষায়েং" হায়বা অর্নিদি ঐখোয়না থেংনরে। হৌজিকসু লৈরিবা অদুনা ইতিহাসকী পংথৈদা চংশিনবা উরে। ক্ষয়েং অমসুং মোইরাংদা লৌউ শিংউ চৎথরকপা, ফৌ য়াম্না লোকপা অচেৎপা লৌরিং লৌউ অহানবা পংথৈদা তৌনম্না য়াই। লাইনা নোং চুবগুম হৈথনকপা নত্তে। মতী করয়া মোইরাং অমসুং ক্ষায়েং থোনখিবগে হায়র্বাসিদি অতোপ্পা বাকম অমনি।

অসিগুম্বা মরেং, মাইরাং, মুকোংজাম্বা মীংথোল কল্লা অসিদগী মখোয় হায়্লা কদাম্বদা খুন্নারম্বনো কনাম্বো হায়বা পুথোকপা সমাজ বিজ্ঞানিকশিংগী থবক্তি। ফোকলোরিস্টশিংঙীসুনি।

মতৌ করম্না ফায়েং খোন্নখিবগে হায়বগী মতাংদা ঐথোয়না কৌওইবী বারোন্দগী লৌথোকপা ব্রারী মতেক অমা উখ্রে। অমুক্তু "চৈথারোন কুম্বাবদা" মহাকথক্তা ঙা থোক্কউ থোকপা, শা থোকউ থোকপা ফান অমা লৈঅ পিয়ো হায়বদা পিদনুনা মবাই অংঙাম নিংথৌবু লান শোরুহল্লুইঅ' হান্না হিরি। ইখনানিমীগী মীংয়েং লোমদগী মেংঙাগা "ফাইদুনা লৈয়", 'ফল'না লৈয়' হায়বসি "ফানলয়ে' নত্রগা 'ফাইলৈয়ে" হায়বা চংবা লৈবাক্তা লৈবা লম অদুদগী লাক্পনি হায়বা ভাক্তে—তরামাথোইগুবা শত লীগী বানি। অসুম্না লিজেন্দ কয়াবু নৈনবদা ইখনোগ্রাফি, ইখনেনিমী, হিস্ত্রী চংই হায়বস্তু ভাক্তে। সোসিওলোজিগী ব্রাঞ্চ ফায়েংদা থোকউ থোকহনবা ওত্রগী ব্রা কয়ানা ভাক্তে। অমুক নৌহৈনবা ইতিহাস ইনবগী মচাক কল্লা মখক শেংনা ভাক্তে। "চকপা তাও, অং-কোম তাও-অসিনাচিংবা নী তরুক ফায়কঅ" হায়্লবসিনা অমুক্তা হেন্না মরেক লাহল্ল। মীনা লৈঙাক ব্রায়েন চুপগী পায়রিক্লেদা থোকপা থৌদোক ভাক্তে। মনিপুরদা মীশিংনা ব্রায়েন লৈঙাক্তী চুপগী পাইওদা চংপা লৈবাক্তী ফানস্নদগী লোয়্ননা কমপুচিগ্লাগী অংকোরদসী লাকপা মীশিংনি উৎলে। মখোই লৌউবা হেরে। মীনা মখোয়বু লোই কৌই। মখোয়গী লাইনিং লাইশোন্দি তাওই-জম, কনফুসিয়ানিজম, বুদ্ধীজমনচিংবদা অতুগা এনিমিজমগী লৈরোন্দা হিন্দুজেনওয়গী মমি মুসলিমগী মমি কয়া অমা কল্লা ফুজিনলকপা অসিনি। মথং মথং মীরোন নাইনা কমপুচিয়ান-শিংনা চংশিনলকখিবা, লানথেংনখিবা মনিপুর ইতিহাসকী থেংথাং কয়াদনি। অদুনা চিনফা পুরকপা ব্রারিবু চেদা ইরবস্তু ফোকলোরনা

মাঙখ্রবা লৈখাই তাদবা ইতিহাসপু ময়েক লাহনবা ঙম্মী। নৌনা ইতিহাস ইবদা মতেং পিরি। অতোপ্পা চৎপা অমনা চিবেতাম্নি। মদু পুম্নমক থিদোকপা চংই। নৈনবা চংই।

মোইরাংগী খম্বা থোইবীগী ৱা ঐখোয়না তারি। ঈশৈ শক্তুনা শাংলবা ৱারি অমা লিরিবনি। ফোকলোরগী চাওরবা মচাক অমনি। খম্বা থোইবীগী ৱারি অসি নুংশি শুংওনলোন্দা মমিং চৎলি। সংস্কৃতি উংলি। সমাজ অমবু মশক তাকই। ৱারি অসিদা ইথনোলোজিগী আনোক উপতুনা হাইফেৎতং য়েংবদা ঐখোয়না উই। কমপুচিয়া লৈবাক্তগী লাকপা, মপা-মপুগী চৎনবী লেনদা কতুনা মুকশানগী লাইনিং লাইশোন চৎপা হন্থনা উবিরবা কন্ডবু অমা লৈরম্মী। মখোয়শি ফুরুপ কয়ানা শেন্নবিদুনা নত্রগা ফুরুপ কয়াগী মরুম থুপ্না লৈবা নত্রগা অনৌবা ফুরুপশিংগী মরুম পুন্না লৈবা তায়। নাকল অমরোমদা হান্না লৈরমলবা চীন অমসুং অংনচিংবা কাংবুনি। চীন অমসুং অং কাংবুগী অত্তৎ অনৈ মথাদা কমপুচিয়ানশিং হিংবা তাখি। অং অমসুং আও-শিংগী মরুপ ওইননা লৈবা লাম্মী ওইনা শিজিন্নরিবা নেগ্রোইড ঈ চংবা অফ্রীকশিংসু লৈরি। কমপুচিয়ানশিংনা টাই অমসুং আও-শিংগী মতেং নত্রগা পাওতাক লৌবা তায়; অদুম ওইনমক মখোইবু থিনা লাক্রিবি। অসুম্না ত্রাইবেল ক্লান ফেদরেসন অমগা অতোপ্পা ত্রাইবেল ক্লান ফেদরেসন অমগা থেংনবা তারম্মী। নুপীনা সুম্নুরেন ওইবা ফুরুপ কয়া মীচং মুম্নবা অদুদ য়াওবা তারম্মী। চীনশিংগী মীচংদা লেপ্পা কাংবুসু কম্পুচিয়ানগী মীচংদা অমুক্কসু লেপলম্মী। মমৈদা মখোই কম্পুচিয়ানশিংবু চুপশিনবা নত্রগা চারৌ মৌরৌনদুনা অতোপ্পা ফুরুপ শাগৎপা তারম্মী। চীনশিংগী মনুংদসু ফুরুপ-ফুরুপ নাইনরম্মী। আংনচিংবা কয়া মমৈদা লৈবাক অসি থাদোকপা তাখি। অসুমনা থেংখাং কয়া খোক্লা মী ফুরুপ কয়া চংলকপা, ফুরুপশিংগী

এলায়েনশ (মীচং) শেমদুনা হল্লা হল্লা লানখেংনবা তাখি। অং-শিংগী মকোক্তা নুপী কল্লা লোনলম্মী। চিনশিংস্তু মদুদা য়ানা চৎলম্মী।

মথক্তী ব্রাফম অসি করম্না হায়বনো খন্থনিংঙাই অমস্তুং নৈননিংঙাই ওই। ডিথৌ অমস্তুং ডিসং তুরেলশিংগী মরক্তা পাং-কাইগী অব্রাংদ চংন্যু (শংন্যু) গী মচাশিংনা লৈরম্মী মখোয়দু মাও চেং, কোনয়াকপাচিংবশিংনি। কোনয়াক সমাজনা মকোক মরু ওইবা, নিংথৌ ওইবা অং ফুরুপতগী নত্রবদি য়াদে। অং তোপ্পা-তোপ্পা অব্রাংব থাক্তী মী খল ওইনা লৌগনি। পোনজেনসা অংগা চুনগনি। হাইবদি আওগী চেংনি, মোংসম্নচিংবদা পোনজেন্না চাওগনি। পেনজেনপা অংগা থাক মান্নবগুম খন্নগনি। মথক থোংনা লৌগনি। চুম্না শাগে য়ুম্নাক্তা অং ওইবতা নত্তনা খুন অদুগী নিংথৌ ওইদ্রবদি অদুগা অতোপ্পা খুলগী অং অমগী মচা ওইদ্রবদি নিংথৌ নত্রগা মকোক অদুগী মহুৎ শিনবা য়াদে। মহাক্তা নুপী কল্লা লোনবা তারবস্তু অং নুপী অতুনা মরুওইবা রাণী ফম লৌগনি। মখোয়গী নুপিশিংনা কাং শাম্নে। কোন-য়াক, আও চেংনচিংববু তোপ্পা তোপ্পা উরকপা মখোয়গী মতক্তা মওং কল্লা থোক্তা থাইরকপা, নক্রবা, তোপখিবা মদুগী ইতিহাসনা অমনি। ভিয়েৎনাম কাংবুনা স্বর্গ অমস্তুং মালেমগী তুব্রালিজমবু টিম্না, ভিয়া হায়না কৌবা আওগী ব্রাখল লোন্দস্তু মউরি। অং ময়ুম্না অঙোম নত্রগা অংঙোম কৌই। খম্না, খুমম্নচিংবা কমপু-চিয়ানলোমগীনি। অম্নম্না য়েংলুরগা লেইনি হস্তুনা উবিরবা, তোপ্পা উবিরবা কমপুচিয়ানশিং য়োয়ননা চিনশিং, অংশিংগী ব্রাতি অদু ঐখোয়না খম্না-থোইবীদা উরি। অংশিংগী নুপীবা নত্রগা নুপানা ভাকপা চৎনবী অদু অংশিংনা লৈথা তারকপদা "নয়ুম অংঙে দি চিন্দবনে" হায়দুনা লৈ-চিনবা, লৈগী মখক ফাওবা থনবদু পন্দুন

চংনবী পদুনা তু.রানবা নিংথৌগী অতৈ মুপীশিংনা কোন্না থংন-নক্কনি। মদু ঐখোয়না ইতিহাসকী মতৈ থেংথাংদ্বা উক্কনি।

ফুনান অমসুং কন্ফুচিয়া লৈবাক্কী লাকপা মারি কয়ানা তাকই। ১৪শুবা শতাব্দীদা ককচিংগী মীশিংনা উপিপাক্কা থুং-লবা মতুংদগী মথং মথং লাক্ষখিবা, কন্ফুচিয়াদা থামনগা লৌন-লৈনরবা ইশুংবু সমাজদা থাংনা উনরকপা, চল্লেৎনবা, থাথোক লাম্থোক কয়াদগী অসুম্না মী ফুরুপ কয়া লাকখি। লাকখিবা মী ফুকপ ককচিং ওইখিবা কন্ফুচিয়ান অমসুং ফুনান কাংবুসিদা ময়াং অমসুং হিন্দুগী মখিং কয়া থাওরি। মশানা তাওইজম চৎলি হায়জবা কয়ানি। নাওরেম ফুনানদগীনি। অসুম্না লৈবাক-শিংগী তেন্দু, ফুরুপশিংগী লন, লাইনিং লাইশোনগী চৎনবা কয়া অসিনা মথোইবু থাদগী অরাং, অরাংদগী থা পাংনা চৎথোক চৎশিন তৌহনখি। পুম্নমক অসি ফোকলোরগী মচাকশিংবু থুগাইদুনা খিবদগী থোক্কদবনি। অঙনবা মতম ওইরবসু খেংথবা মতমগী ওইনবসু পোইরৈতোন ভিয়েৎ (য়ুরা) মচানি। মতম অমদা ভিয়েৎনামগী কাওবু, মতম অমদা চীনাগী ফুরুপ মচা-মচাশিং, মতম অমদা টাইগী, থাইলেন্ডগী কাওবু, মতম অমদা কন্ফুচিয়াগী মফম মতম কয়াদা মণিপুরদা নিংথৌ কয়াং ওইদুনা পানখি।

ঐখোয়গী হরাওবাদা "হংচৈ কোয়েন্না" হায়বগী অর্থদি মীয়ামবু কোনবা হায়বনি। হান্নদি 'হংচৈ" হায়বগা অরাং চীনাগী কতে কাওবুতবু খঙনরম্লনি। মখোয় অনুদি হায়গী চীন লৈবাক্তা লৈরম্বা হশি, শিয়া, মুচেন (জুচেন, চুচেন) খিটান, কোরিয়ান, গো-হৈ. টানগুইশিং য়াওতুনা চিন নম্বগী টাইশিজশিংগা পুম্নগা খঙনবা থাংহনি। চিনগী ঈবু সনা ঈ কৌই।

গুরু শিদবনা মগ অশিবা মগশি ওইনা তাওথরকএ হায়বদি গোলিসি তাকপনি। মগশি ওইনা হায়বদি "মুগাতিলনা, কন্নং তিন্না কন্নংচাক পাম্বিগী মনা তপ্পা তপ্পা চাদুনা চংশিনখিবগুম ফুরুপ তিন্নদবা কাওবুবু তপ্পা-তপ্পা চুপশিন্দুনা" অকম অসি য়ৌ-রকখি হায়বনি। অদুনা মশক খঙবা ঙমখিদবনি হায়বনি। চাই-নিজ মরোলনি। চীনাদা লোলগী ফুরুপ মশিং য়াম্না লৈরম্মী। মগশি ময়েক লানা খঙনরবা চিনাগী য়াহৈনি—মতমদুগী মুগা তিনগুম মী অতৈবু চুপতুনা চাদুনা লাকপা হায়বনি। হৌজিক্কী লোন্দা অর্থ হনগদবা নত্তে।

চীনাগী খা অমসুং নোংচুপকী লোন ফুরুপশিংদি ঃ—

১। কোং/কং ২। য়াই

৩। নম ৪। চৌ (চাও)

৫। শৌ ৬। লুই, লাই

৭। লিম্ম ৮। খুন

৯। সেউ ১০। কুনঙ/কুঙ/কং/কোনুং

অমুক্তসু মসিগী মথক্তা

১১। য়োং আন ১২। সন টুক

১৩। নম হোই ১৪। পংঙি

১৫। তাংখুন ১৬। ফো-খিন

মীওইবা অমত্তনি। জাৎ কুচু খাণ্ডুথক্কিনি। চহি অক্ষা কয়া হিংলকলবা মীওইবনি। অতুবু মণিপুরগী ফোকলোর মশক খঙননবা নোংপোক অমসুং খা-নোংপোক এশিয়াগী লৈবাকশিংবু খঙবা চংই। ময়াইথংবা এশিয়াসু ভারত্তা খঙবা চঙই। ভারত্তা লৈবা লম অতৈবুসু খঙবা চংই।

ঐখোইনা মথক্তা লোন অমসুং ইতিহাস, ইথনোগ্রাফি হাই-বদি ফুরুপলোনগী খুৎলাইগী তঙাইফদবা ফোকলোর নৈননবগী দমক্তা উৎখ্রি।

সার্কস অমসুং এঙ্গেলসনা নৈনবা, মীথোপোইটিক যুগ, ইথনিক পেরিওডনচিংবা হাইদুনা অরিবা মতমবু খাইদোকপা উখ্রে। এঙ্গেলসনা মোরগানগী অরিবা সমাজ নৈনবা লাইরিকপু নৈনবা লোয়ননা এঙ্গেলকী অহৈবশিংদসু থাইনগী ৱারি পন্দুনা তাকপা উবা ফংলি। পা-পীগী হক মুন্নবা, নুপীগী অধিকার, মুপা-নুপী লোনবগী মওংদা মীথ ওইবা ৱারীগী অর্থ তৌই। সমাজ অদু থংনবা মশক তাকই। মতৌ অসুম্না সমাজবু নৈনবা সোশিও-লোজিগী পাম্বে কয়াসু, মিৎয়েং কয়াসু ফোকলোর নৈনবদা চংই।

মণিপুর ইতিহাসপু চুন্না ইথোকপা হায়বসিদি ফোকলোরগী মতেং য়াওদনা ওইখোক্তে। ফোকলোরদা খুৎলাই কয়া থাদুনা থিবনা অমনি। থিবা অদু তোকপদি য়ারোই।

শন্নবদা শিজিন্নবা লোন কয়া, মদুগী অর্থ তরাইবা নৎতবা কয়ানি। খুদম অমদি সেবোতি কাওনবগী "সে সে সেবোতি ..." অরাইবা নাত্ত। ফুক্তাগী মশককুমলবা নীতি মরিথক পাইরগা অতে পুম্না খেংনসি হায়বনি। তেমু তেমু সনা হান্নবদি জেনথিস খানবুনি মোঙ্গোল অথৌবা॥

ৱারী মচা-মচা, ফুংনাক নত্রগা ফুন্না ৱারি, চাকঙাই ৱারী য়াম্না কুপনা নৈননিংঙাইনি।

হঙোইনা নিংথৌ মচানুপী লৌই হাইরি। করিগী হঙোইনা নিংথৌ মচানুপী লুহোংদুনা লৌবা য়াগদগে? করম্না হঙোই ওই-হনলুরিবনো? করি হাইরিবনো? অমুক্তসু কবুই কৈওইবা নত্রগা কবু কৈওইবা কনানো করিগী মীগু—শাগু ওইরুরিবনো? উচেক লাংমৈদোং কৌবা উচেক অদুবু অতুক য়াম্না মরু ওইহনলুরিবনো? শনরেমথী চাইশ্রানা করমবা সমাজবু মশক তাকপগে?

অসিগুম্বা ব্লারি কন্নাবু খোমজিন্নগা টেলিফোন ডাইরেক্টরী ইনডেক্স অমগুম্না মশিং থিবা হৌদোকপা মশীং পানবা মমিং গান্দুনা থম্বা পন্দিংন্তু ময়াওরকই। মদুন্তু পৃথিবীদা যংলিবা ব্লাশিং থিবদা মতেং ওইদবা নত্তে। অসিগুম্বা ব্লারি কন্নাবু লিলাঙঃ য়েংদুনা লিলাগী প্লোটক্লুম নৈনবা পণ্ডিৎন্তু ময়াওরকই। অসুম নৈনবদগীন্তু ব্লাবিগী মখল খাইবদা মতেং পাংদবা নত্তে। প্লোট মখল কয়া শুবগে, কবম চৌনা লেংশিনবগে? থোৗদোক ব্লাশিং শিংবু করম্না থমদুনা লেংশিনবগে তাক্লই।

হান্না লৈরম্বা অরিবা মী ফুরুপশিংগী ব্লাখল, জ্ঞান লৌশি নৈনবা তাবা মনমনা পেলিওসইকোলোজী, ফোক সাইকোলজী চংলে অদুনা সাইকোলোজী হায়বা বিজ্ঞান অদুগা মরি লৈনরে। ফোকলোর হায়বগী অর্থদি ফুরুপকী জ্ঞান-লৌশিং হায়বনি। অদুনা সাইকোলোজিগী পান্থ, মীংন্নেংন্তু অদুমক চংলে। মীওই-বনা মথং মখং হোংলকপসা লোয়নানা হোংজক্লিবা সমাজ অদুগী ব্লাখল-লৌশিংগী অহোংবশিং অদুগী মথং-মনাও নাইনা লেংশনবা চংবনিনা ফোকলোরনা ব্লাখল লৌশিংগী ইতিহাস ইবগী অহানবা তাংকক পিবা নত্তনা অতৈ বিজ্ঞান অনত্তনা মপুং ফাহনবা ঙমদে। কলাগী চাওরবা শরুক অমা কেনাশনবা মরম্না কলাগী ইতিহাস, কলানা হৌগৎলকপা, মপুং-মরৈ ফারকপা উৎনবা হোৎনৈ। করিগুম্বদা ফোকলোরবু ব্লাহৈগী কলা ওইনন্তু উহনলে। শক্তম লাংনা উৎপা লিলাগুম্বগী মওংদা শক্তম লাংলিবগা ভাবোক্ত মবি লৈননা নৈনবন্তু পণ্ডিৎ কয়ানি।

সোসিওলোজী, ফিলোসোফি, ইতিহাস পুম্নমক মীগী ব্লানি। এখোয়না থাইদোকনুবতনি। তোঙান্না লৈবা নত্ত। ফুরুপ অমগী সোসিওলোজী ওইনা কনান নৈনবা য়াই, অদুবু মদু ফুরুপ অদুগী ইতিহাসতগী তোখায়না লৈবদি নত্তে। মরম অদুদা মীওইবগী

ম্লাথল লৌশিং, ভ্রানগী থিওরী, ফিলোসোফিগী ম্লাফমসু অদুমক ফোকলোর নৈনবদা চংলে। খুদম ওইনা ফিলোসোফিগী এপ্রোচ শিজিন্নদুনা ফ্রেনচ পণ্ডিৎ লেভি ব্রাওননা ফোকলোরবু নৈনে। ঈশৈ, ৱারি, লাইহৈরবগী ৱারি, চৎনবী, মন্ত্র-নাইশোন, শাগৈ শমাই খায়বা, লুহোংবগী, চারৌ মৌরোনবগী চৎনবী পুম্নমক্তা মহাক্না কনস্ত্রাডিকসন উৎলি; মোন্নবনা মদু কনন্না তায়শিনবগে হায়বা উৎলি।

ঈশৈ, খোন্নাউ, লাল্লাউ কনানা তুরুপশিং অমসুং মীওইববু মশক তাকই। ঈশৈ কয়ানা মী তুরুপ কয়াবু মথৌনা হান্দি। হুনবা লৈতনা পাঙ্গুর মৌনা হংশিনহল্লি। অওৎ-অনৈ কয়াগী মাম্মোক্তা খেৎনহল্লি। চুনদবা মওং কয়াবু মওং কয়াদ করৌ। সাহিত্য নৈনবা ঐথেৎনবা মথল কয়া থেংনবগুম, শৈবেং, ৱারেং, নৈনা, বিজ্ঞানগী ৱারেং, লৌশিং তামবগী ৱারেং, মশার, ৱাহৈ-পাতা, ৱারি ফোকলোরদগু ৱাংতে। সাহিত্যলোমনগী য়েংবা মতমদা মহাক্কী মওন অদুমক ৱাংনা তৈবনি। সাহিত্যগী কাণ্ড-বুনদি ফোকলোরবু কলচবা নক্না নকশিন্নবা কচর নৈনবা ওইনা উখ্রে। হিন্দন অসোমদা য়েংনুনা অদুক্কম সাহিত্যগী ইতিহাসক্তা ফোকলোরগা তৎনথান য়াদনা মরি তমা লৈনরিবনি। সাহিত্য ইতিহাসকী এপ্রোচ শিজিন্নদুনা য়েংবা মমম য়ামলবা থবক্নি। লোলগী ৱাফমগা অমুক্কম কয়া মরি লৈনখিবা মায়া হিস্টরি-কেল লিঙ্গুইষ্টিক্স, ডাইলেক্টোলোজিনচিংবা লোনগী এপ্রোচ কয়া শিজিন্নদুনা নৈনবসু চংই।

অস্তুম্না নৈনবগী মহুত্তা ম্লাত-পাদনা নুংঙাই য়াইফনা হিংবা; মখোয়গী মরমদি ফোকলোরগী মচাক অহিবা মতমগী সমাজগী মচাক নিংথিনা ফংদবা সমাজবু মপুম ওইনা উদবা ঙমৈয়ং কয়ানা ইউরোপ্তা মতম লৈবাগী নৈনবা মওং কয়াগুম লৈ।

"ময়াম্‌ মচুক কয়া-খোমজিনবিয়ু—এশিয়া, অফ্রিকা পুম্নমক ঐখোয় নোংমগা খিওরি শুংগে"—হায়বগুম।

অতৈ মমগী চৎনবী অতৈ মমদা লিনবা ৱারি-ৱাতায় শক্রবা ঈশৈ-নোংমাইং হায়না পংখোম খোমনরম্মী। এনথ্রোপোলোজিস্ট-শিংনা মদু য়াম্না তৌরম্মী। ময়ামগী অরিবা থিবা থবক অসি লৈবাক কয়াদ মরুওইনা ইউরোপকী লৈবাক কয়াদা মশিং কয়াগী মথাদা চৎথনখি। মমৈদা খোমাস হায়বা অমনা "ফোকলোর" কৌরসি হায়না হৌদোকপদগী ময়ামগী অরিবা নৈনরশিবু ফোক-লোর কৌখি। ৱাহৈগী অর্থনা ময়ামগী ৱাখল-লৌশিং নত্রগা জ্ঞান লৌশিং হায়বনি।

তশেংনমক হায়দি স্কুল লৈরবা নত্তে। থবকগুবা তক্রম ট্রেনিং চৎকম ওসিগুম্না লৈরম্বা নত্তে। ফিলোসোফি, হিস্টরি তম্বা, সাহিত্য কয়া তম্বা খোইদোকপা শংলেন লিংলম্বা নত্তে। অদুনা লোজিক কয়গা তম্লিগনি—মদুদি ৱারিনা, পাওখাংনা॥—অসুম্না ৱাখল থনবা তম্লিনবা, শিনফম কয়া তম্লিনবা, চৎনবী, ইতিহাস কয়া, কলা বিদ্যা কয়া অরিবা মতমদা তম্লিনবগী মওং অমসুং পান্নরিশিং অদু ফোকলোরনি। মীওইবনা মখোয়গী অংকাইবদা লৈরিবা শা-হন, জিব কয়াগী মরমদা থওনকখি। পাম্বী কয়াগী মরমদা হিদাক-লাংথকতা, উ-ৱা, চীং পাৎ তুরেল, নুং—প্রকৃতি অসিমক্কী মতাংদা, শৌরজগৎকী মরমদা লৈরম্বা জ্ঞান শুম্নকপুনি-মদুগী হৌরকপা চাওথংলকপবুনি ফোকলোরনা নৈনরিবা। লোক সাহিত্য হায়বদি ময়ামগী সাহিত্য হায়বনি, ফোকলোরদি সাহিত্য-থক্ত নৈনবা নত্তে। অদুনা থরানা জিনগী নত্রগা ৱাহৈগী কলা হায়নবু কলাংরামদা পুশিন্দুনকাও হায়রিবনি।

অহানবদা ৱারি, পাওথোং, পাওয়রী, ঈশৈ-নোংমাইকা নুপ্তি, চহি থজিকপগী মনুংদা য়াদু-মন্ত্র, পোৎশেম-য়াদু, মন্ত্র-তন্ত্র, চৎনবী

কয়া হ্যাপচিনগকখি। সমাজ অতুগী থৌশিল, সমাজগী শক্তম কয়াসু নৈনবা অসিগী মনুং চলহন্নবা তৌরকখি। অদু থৌশিংগী ইতিহাসকী থবক ফোকলোরদা তৌনদবানি হায়রবা ময়াওবা তক-শিনলকখি। জর্মনদদি মেটরিএল কলচর হায়রবসি ফোংথোক পুথোকপগা মরি লৈনবা পুন্না, কলাগী শক্তম পুন্না কোনশিন-নকখি। ফোক্স কুন্দে, ডেমোসোফিয়া, ডেমোলোজি, ডেমোসাই-কোলোজী ডেমোটেকনোলোজীনুচিংবা মমিং কয়া কয়া থোন্দুনা লৈনবা, মিবা খোমজিনবা অসি চৎথরকখি।

ইউরোপকী পণ্ডিৎশিংদা পিবা য়াম্না চাওবা অপনবা অতোপ্পা অমদি অতোপ্পা লমচৎগী লোল চংনবী পুন্নমক খওবা তাবা অদুগা য়াম্না চাওথৎক্রিবা সমাজদা হেন্নসু নৈনবা তাবা অসিনি। মসিদা মথোইনা নৈনগে হোৎনরুবা সমাজ অদুগী তাক্লিংদবা, খওহন্নীংদবা, চংহন্নীংদবা মতুগী অরা অনা কয়া নৈনখ্রবনি।

ব্রাহ্মণী শক্তম হোংখিবদগী ফজবা ওমদ্রবা ব্বারি লাই-তিনগী ব্বারী থোকপনি হায়না মীঅ থোরকপু উবা কয়া থোরকখি। মথোইনা লোন নৈনবদা হেন্না থক্লাই য়াওখি। মীথপু লোনগী লায়নাদগী লাকখিবনি হায়না লৌখি। থরনা অমুক মীয়াম্না ময়ুম হোংদুন চৎপদগী ব্বারী লিরম্বশিং অসি মাম্নবনি হায়না লৌখি। মী জাৎ মান্নবা অমনা মাইকে কয়াদা চৎখিবদগী মান্নবা ব্বারী ফংলিব্রা হায়বদি মথোয়না ময়ুম হোংবদা পুদুনা চৎখিবদগী তৌরিব্রা? করিগুম্বা মান্নবা ব্বারি অমা হায়বসিগী হৌফম অমথক্তা ওইগনি সাইবেরিয়াগী ব্বারিগা অফ্রিকাগা মান্নরবসু হৌফমদি অমত্তা ওইফম থোকই। রুশিয়াগী কেটকা ক্যাস্ত্রীজম মাইগ্রেসনগী ব্বারীগা মান্নবসি মী মথম্র অমত্তনা মান নরুগা মরম অমদগী য়ুমহোং কৈহোং তৌখিবদগী থোক্লদবনি হায়রবা তারগদি মসিবু মাইগ্রেসন থিওরি কৌরে। থিওরি অসিগী মক্তুং ইন্না ব্বারি মান্নবা

য়ারোই মী খাম্নরবদি হাইরি। অসুম্না হাইবদা নত্তনা কোন্থৌজম কাঙবুগা কেইটকা চৎথোক চৎশিন তৌনৈ; পুনৈ হায়বা অমসু তোপ-শিনখি। সনাগী শিংজংগী য়ারি কোরিয়াদসু ফংই, মণিপুরদসু ফংই। মীদা মরি লৈমৈ হাইবদা নত্তনা কোরিয়াগা মণিপুরগা লন্নোন ইতিকী মরি ফাওবা লৈনদুনা মতম অমদা য়াগী পুনরমী অসিনি। য়াখল অসিদা চংশিনখিবসি খিওদোর বেনফী হাইবা নিগা অদুনি। মেক্সমুল্লরদি চুপ্নগী মীগী হৌকম মাঙমবা লৈ হাইরুবত্তনি অদুগা লোসেনী লায়নাদগী লাই-ভিনগী য়াগী ময়ামসি থোকগনি অসিনি। খাদা অমুক্ত তাইবং মীওইবা অ...নি; য়াওল লৌশিং ...কা লম্বি অমত্তনি। অরিবা মতম্গী অনৌবা ইউরোপকী খুংগী যুগকী মীগা এশিয়াগী অরিবা মতম্গী অনৌবা খুংগী যুগকী মীগা ম... অনিমক্তা মান্নবা য়ারি থোক্কনি -...সি মী হায়বনি ভমত্তনি। টাইলর, লাং, ব্রুনডট, মেন্নহর্ট, বেডিয়ালনচিংবা ইংতারুসনগী খিওরিদা থাজবশিং ডাক্তার সরটচন্দ্র মিত্র অমিনচিংবা য়াফম অসি পুখৎলকখি। য়াফম অসিগী মতুংইন্না সমাজগী থাক মান্নবা মতুংইন্না মান্নবা য়ারি থোক্কনি। মকম মতম মতুংইন্না খেন্নবা থরদি লৌবা য়াই; অদুম ওইনমক য়ারিগী মওংদি অদুমক মান্নগনি হায়বশিনি।

মথক্তা পনখিবা কয়া অসিদা ইচেন চেন্নরিবা য়াফমদি অটি অমসুং কলচর অসিনি। মরমদি জগোই-ঈশৈ, পাওরী, প্রধান পান্থে, মিৎয়েং-নায়েং, য়াঙাং-শাঙাং, পাথাং-পুথাং কোক্তগী চৎ-নরকপা লাই-হরাওবগী ঈশৈ, লাইশোন-তিনশোন, লুহোংবগী অপোক-অশা থাবগী চৎনবী, শান্ন-খোৎনবদা শিজিন্নবা য়াহৈ-য়াতা, নুংশি-খুংওনলোন্দা তনিক-তনিক চৎসদুবু থাগৎনুবদা "চাকপ্রা?" হাইনা য়াহং-পাওখুম পিনবা পুন্নমক সমাজগী থেংথাং কয়াদ, সমাজগী পুন্সিদা ফংবা ওহাক্তনি। মরম অদুনা এঁথোয়না অটি অমসুং কলচরগী য়াফম থরা নৈনবা চঙই।

পুম্না হিংমিন্নবা সমাজগী পুন্সিদা, মীওইবগী পুন্সি অমসুং শিন্থাবু কায়াৎ অমা নত্রগা অমনা চপতুনা লৈবগুম হিংলি। কায়াৎকী মখল অমসুং শকওং কয়ানি। মীওইবা অমসুং মহাক্না হিংলিবা সমাজ অদুনা ইতিহাসকী পরিংদা অসুম লাক-পদা, শাংলবা ইতিহাসকী লমিংগী পড়াও অমদি লমথুংফম কয়াদা পোৎথা-পোৎথা চৎলি। অসুম্না ইতিহাসকী শাংলবা লম্বিদা লাক পদা পুন্সিগী মওং, শিন্থাগী মওং মখল লেপ্পদা নত্তনা, মওং-মখল নাইনা হিংবদা নত্তনা, লৈরিবা পোৎ নত্রগা ব্রাখল-পুকচেলগী মনল অমসুং মওংসু লেপ্পা লোয়নননা শিংথানিংঙাই ওইরবা মনল মওংবু পোৎশাগী থবক মতৌই। ব্রাখল-পোৎলম অনি-মক্কী, পুন্সি শিন্থা অনিমক্কী কয়াৎ শক্তম্না ইতিহাসকী পংথৈদা মীওইবা অমসুং সমাজগী মাওন লৌতুনা থুংলুরিবা থাক অদুবু ঐথোয়না "কলচর" হায়না কৌই। ব্রাখল-পোৎলম অনিমককী মমল-মওন লেপ্পগী থবক মীওইবনা লেপ্পা লৈতনা তৌরিবনি।

সমাজ অদুনা হিংবদা শিজিন্নবা পোৎলম কয়া, মদুনা পিবা পুন্সিগী শিন্থানা কলচর মশক তাকই। অমুক্কসু ঐথোয়না করি থাক্কী পোৎলম শিজিন্নবগে হায়রেই। পোৎলমশিংতুগী মমল মওন মহি-ময়াই সমাজনা লেপচে। থম্মোয়, ব্রাখল, পুকচেল, জ্ঞান লৌশিংগী থাক অদুসু কলচরবু তাকই। লৈবাক্কী মাওন থেংথাং অদুনসু কলচর তাকই। ইতিহাসকী মাওন থেংথাং অমগীসু কলচর লৈ। মী ফুকপ অমগীসু অসুম্না মথক্কী হিরম অনিসিগী থাক, মওন লৈগনি; মদুনা ফুকককী কলচরনি। পুন্সিদা তৌরিবা পানলম-শিন্থাবু, মদুগী মহি-ময়াইবুসু ঐথোয়না কলচর কৌই। অদুনা শু-নোম্বগী কলচর, খুৎ-শা হৈবগী কলচর। নুংতি খুমিৎকী কলচর হায়রবদ ঐথোয়না নত্রগা মনাওম্বনা নেংনগী অযুক নুমিদাংগী পায়রিবা শিনমন-শিন্থা, লোয়নদুনা চংলিবা

পোৎলম থম্মোয়, ব্রাখল-লৌশিং পুকচেল, হিংনগাই ওইরিবা পুন্সি লেম্নরিবা পোৎসম-চৈরম পুন্নমক্কী থাকপুনি। পুন্নমক অসিদা নত্তনা মীৎয়েং ইঙ্গিৎ, ব্রাঙাং, শাঙাং, যুমশা-কৈশা, ফিজেং-চাকপা মীওক-মীচান, কে-মোবা পুন্নমক মমল য়াম্নাই লেপ্লগাই ওইরি-বনি, থাক লেপ্লিংগাই ওইরিবনি কলচরগী। শন্না হায়রবদা কলচর ইতিহাসকী খেংচংকী থাক অদুনি। খরা খুজিনবা অর্থদনা থম্মোয়, ব্রাখল লৌশিং অমসুং থাজবা অদুখক্তবু কলচর ওইনা লৌই। ব্যুরোক্রেট অফিসার অমগী কলচরগা, কারখা-নাগী শিল্পী নত্রগা লৌনক্কী তৌমা অমগী কলচরগা খেন্নে। অরিবা মতমগী কলচরগা হৌজিক্কা খেন্নে। নিংথৌ পনবা মতমগী কলচরগা নিংথৌ লৈত্রবা সিফাইগী রায়েন সাসন মতমগী কল-চরগা খেন্নে। মীৎয়েং অমসুং নখুং খেন্নবা, অপান্বা খেন্নবা মরম্না কলচরবু চাম্মরক খেন্ননা উংনবা তৌরবসু কুপ্পা খিকরগা ব্রাখল-লৌশিং, পোৎলম অনিগী থোংচংকী থাক লেপ্নগী ব্রা হেক্তা মওইরকই।

অদুনা চৈরাপ-কুপ্, চৎনবী থাজবী, রায়েন-নীতি, অচুম অরানগী পুকচেল, হোংদাক্তনা তৌরবা চৈনবী, পাংথোকপা ঙম-জরিবা থবক-থৌরম, চৈজরিবা মহে-মশিং পুন্নমক শুপচিনলগা সমাজগী মী অমা ওইনা কনাগুম্বনা ফংজরিবদু কলচরনি হায়বগী ব্রাফম টাইলরনা পিরি।

অদুগা কনাগুম্বগী ব্রাঙাং শাঙাং, পুকচেলদগীসু কলচর কয়া তৌদ্রিবা মীনি হায়নৈ। মহাক্কী শাজং নীতিগী অনেম-অব্রাংদসু পান্নে। জ্ঞান-লৌশিংগী থাক নৈরবদসু পান্নে। মসি চপশিল্লবা অর্থদা শিজিন্নবনি। তশেংবদি ফুরুপকী কলচরদ অমনা অমদগী হেল্লি হায়বা য়াদে—মতৌ করম্না থাক, মশক-মওং অমসুং মখল অদু ওইরিবনো হায়না খনবা খিবা, ইতিহাসকী পংখে য়েংবদি য়াই

ৱারি-ৱাতাইদ, লাইশোন-তিনশোন্দা, চৎনবী কয়াদা মায়বা কয়া মথক্তা পনখ্রে। মথোয়শিং অসি কলচরগী মতাংদা শাগৎ-লিবা থিওরি কয়া য়েংলগা অমুক্কা ঐখোয়না নৈনসি।

পণ্ডিৎ কয়া অমনা ইতিহাস হায়বশি ৱায়েন অমনা পুন্দুনা চৎলি হায়বশি থাজদে। ঐখোইনা পুখ্রি অমগী তোঙান-তোঙানবা মফম অহুমদা মতম অমত্তদা লৈতুম অহুমথক থাধরুবদা, লৈতুম খুদিংমক্কী অকোইবদা ইথক অহুম্না মকোই-মকোই নাইনা শন্দোক-খিগনি। মকোয়শিংদু থেংনকখিগনি। অসিগুম্বা মকোয়লোন্দা থাজবা পণ্ডিৎশিংনা মালেমদা লৈরিবা কলচরশিংসি মফম অম-থক্তগী ইতিহাসক্কী মতম অমদা শন্দোকখিবনি হায়রি। মদুনা মফম খুদিংমক খুংখিবনি হায়না লৌই। কয়িগুম্বা মফম অমদা পোৎলম অমসুং ৱাখল লৌশিংগী কান্নোই নঙ্গা মকায় অমা লেমজুনা লৈ; মদুনা শন্দোকখি। কান্নোই কয়া লোনশয়দুনা লৈরোল লেমজুনা লৈখিবনি।

জর্মন ইথনোলোজিস্ট গ্রেবনরনা ১৯১১ দা থিওরিসি পুখৎ-লকখিবনি। মসিবু 'কলচরগী ইতিহাসগী স্কুল' হায়নসু খঙৈ। থিওরি অসিগী মতুং ইন্না মফম অমত্তদা পুখ্রিদা লৈতুম অহু অহুম মথং-মথং থাদবদা চৎখ্রিবা ইথক্কী মকোয়না মথং-মথং লোন-শিন্নখিবা, লৈরোল কয়া লোন্নদুনা থাগৎলকপা অদুগা মাপ্পৈ হায়না উৎকনি। "কলচরগী কান্নোইলোন নঙ্গা মকোয়লোন" অসিনা মফম অমদগী মফম অমদা অহুম্না চৎখিবনু নৈনগনি। মফম অমথক্তদগী শন্দোকখিবা ওইনা উৎকনি।

পণ্ডিৎ খরনা একলচরেসনগী ৱাখল ফিরেপ অমুক পুখৎ-লকই। ১৯৩০ গী চহিশিংদা অমেরিকাদা পণ্ডিৎশিংনা কয়া পয়বা ৱাহৈনি। অনেয়না অৱাংবগী মতৌ তপ্না অদুবু হেন্না খঙৈ। অমনা অতোপ্পা চাওখৎলে হায়বা কাঙবুগী মতৌ তয়া

অদুবুনি। অসুম্না মতৌ তম্বনা কলচর শন্দোকপা ওইরকই উৎপনি।

ব্রিটিশ পন্দিৎশিংনা মসিবু 'কলচরগী শোন্বা থেংনবা' হায়। অমনা অমগী মশক হোংহল্লি। শোক্ক-থেংনবদা কলচব অনিমক্কী মশক-মওং হো ই; অমনা অম্বু হোংহল্লি। অসুম্না মশক মওং অসুম ওক্লকই হাইরি।

পণ্ডিৎ খরনা অমুক এসিমি.তাসংগী ব্রাফম কয়া পল্লি—মক্‌-ওইনা রুশিয়ান পণ্ডিৎশিং। মখোয়গী মোৎতা নংফুদা লোই-চা শিন্দুনা চাওখৎল্লিবা নল্লগা চাওখৎলক্কিব তমশিন্দা চেংখৎখ্রবা কাওবুনা মখোয়গী কলচব পুশিন্দুনা মখোয়দা এনদুনা চৎশিনি মখোয়গী ব্রাখল পল্লুং ফংনবা খনতল্লি হয়রিবনি। লোইনব শন্দোকপগী ব্রাফম নেনবদনী লোইসম থম্বগী চংনবী নৈনবদনী ব্রাফম অসি কয়া পুখৎলকপিবনি। অওং মনৈ মথল অমা উৎপনি। রুশিয়ান পণ্ডিৎশিংনা মীগী মুক্তপশিনা মমংদা অমা য়ানদুনা নকশিন্নবা অদুবুসু নৈনৈ।
মুকসনগী কলচর থোরকপা মথল কয়া পণ্ডিৎশিংনা নৈননি। রেডফিলডগী মোৎ মতুং ইন্না অমুক্তা শোকনখিল্লিবা কলচর অনি থেংনবা, শোক্কবা অসিদা অনিগী মরক্তা অমা নল্লগা অনিমক্কী নমুনা মশক ওল্লি হায়না মোৎ পীখি। মসিদা 'অশিবা অমসুং 'অরৌবা' হায়না থেংনবগী অবস্থা অদু তাকনৈ। অরৌবা অদুনা করম্বা মচাক লৌরুদুনা, মতৌ তমলুদুনা, লৌরুরবা মচাক অদু তাইশিন্দুনা অনৌবা মপুম শাবগী ব্রাফম নৈনৈ। ব্রাফম অসিদা করিগুম্বা অমত্তা লৌরুদবা কিভম অমদগী অসুম্না লৌরুদুনা, মতৌ তমলকতুনা ওনখিবনো হায়বদু নৈননবা পুখৎলকখি।

অনৌবা কলচরগী মচাক কয়া পুন্দুনা পুক্ক-লোকদুনা মতৌ তমল্লুনা অনৌবা মপুম অমা মগক অমা কলচরনা ওইরকপা; মদুগী মতিক থুনা হোংলকপা, ওনখিবা অসি খ্বাইদগী থুনা

ওয়বগী ব্রাকম নৈ হায়দুনা 'কলচরেল ফোকস্' কৌই অদুগা অমরোমদা অহোংবা অওনবা অসিবু থ্বাইদগী কয়া খিংবস্তু লৈগনি ব্রাফম অনি অসিবু হর্সকোভিটসনা কয়া পল্লি।

অমরোমদা লিনটন্না কলচরশিংনা শোক্কা খেংনরকপদা রিএক্সন মথল অমা ওইনা মী ফুরুপ অদুদগী থোরকপদু নৈনরি। মী ফুরুপ অদুনা মখোয় মশাগী হান্নগী ফিভম পামজবা, মদুবু য়োকখংপা পামজবা, হান্নগী চৎনবী হিংহন্নিংবা অদু মচা-তানা উৎনবা হোৎনৈ। মজাঙ্গি নত্রগা লৈবাক অদু নৌনা শেমগৎনিংবগী মওংদা মীংয়েং থমদুনা হান্নগীস্তু হিঙ্গৎহন্নিংবা কাংলুপস্তু লৈ। অমুক্কস্তু ইরাৎ-থৌনিগী মওং কয়াদা হান্নগীস্তু হিঙ্গৎহন্নিংবা কাং-লুপস্তু লৈ।

অসিগুম্বা কলচর কয়া শোক্ক-শন্নকুবগী মওং অসিদা মশাগী হান্নগী লমদুগী চৎনবী হিঙ্গৎহন্নবা ঈংহী; পুরুবা মীওান্দগী তম-লুবা অদুগা হান্নগীগা পুনশিন্দুনা ওইরকপা মশক নৈনবা; মীশক নাইবা মচৎনা অব্রাংবা অদুগী মঃতৌ করম্না তমলুবা; মশাগী হান্নগীসু চৎপা, অঃকোনব পুরুবা অদুসু চৎপা—লম অনিমকপু থাদোক্তবা বাইকলচবিজম, সম জগী থাক অমসুং কলচরগী মহোং, হোংবগী মতৌ-মওং অদুগা হোংখ্রিবা মাইকৈনচিংবা কয়া পণ্ডিৎ কয়ানা থিরি।

লাইনিং-লাইশোন হিঙ্গৎহন্নিংবগী ঈহৌ, লাইনিং লাইশোন অরিববু মথৌ হাপ্প, মপাঙ্গল মথম্রাই হাপ্প ঈহৌশিং অসি কলচর-শিংগী শোক্ক-পন্নবদা থোরকপা মরুওইবা নৈনবা য়াবা মথল ওইনা লৌনৈ। লম্নাই মীশিংগী মতৌ-মওংদা হোংলকপা, সমাজ ফরুপ অদুগী কল্লচরদা হেক হেক হোংথনবা মচাকশিং নৈনবা পণ্ডিৎ-শিংসু লৈরি।

থরনা ব্রাফম অসিদা নাইতোম তাব' হন্থরিবমথৈ লাইনিং লাই-শোন্দা ঐগী মীগী খায়দুন অথুব মীৎয়েং থম্মসি থাদোকপা হেক্সং-লবই; লাইনিং-লাইশোন্দ, লাইতিনগী ব্রদা থওইদবা হেক্সৎলকই; হিংবদা চংবা পোৎলম্না হেন্না মকওইনা সৌরকই হায়না মোং পিরি হাইবদি লৈমুক্কা ইমাৎ-থৌনি, মক্ক যক্রনাচিংব বক্সা নাইতোম হিংহন্দ্র-বদি কনচা কয়াগা শোক্র-থেংনহন্দবদি অদুনক মাঙমনকই হু ইর্বনি।

অতোপ্পা ব্রাফম অমনা ডিফ্যুজনগী ব্রাফমনী। ব্রাফম অসিগী মতুং হন্না মথন্নতা হৌরক চাওরকতুনা মহৌ-নফা ফদুনা শক্তম ওন্নকপবু থাজদে। পুক্ষা, মতৌ তম্নুব নত্রা পুনহাং-থুনা-হোংবা থক্তনা কনচগী অহোংবা মপক ডাকই হায়রবসিনি। এনথ্রোপোলোজি, আর্কিওলোজী ইথনোলোজি নাচিংব কয়গী মীৎয়ে ব্রাখলগা নোয়ননা খুদম পিনরি, নৈনরি। ডিফ্যুজনগী ব্রাফম অসি মাগী জাৎ নত্রগা কারওম্বা জাৎ-ফুরুপ অমগী ব্রাখলদা লুপচবা কাওরুনা মাগী নত্রগা কনগুম্বা জাৎ-ফুরুপ অমগী অশেংবা হৃদিংবা য়োকখৎনিংবা নত্রগা অহেনবনি খন্দুনা ভাওজবা কাওবগী ব্রাখল-ঈচেল অমনি। করিগুম্বা জাৎ-ফুরুপ অমবু থোইদো-কপা মক্ষামগী মান্নদবা মওন পিশিন্দুনা ঈ অমত্তুং জাৎকী ব্রা কন্না পুখৎলি। "মৈতৈদি জপানগা মান্নৈ; মখুত্তা অমীৎ পানবা, মালেমগী থোইদোক-হেন্দাকপা ফুরুপ অমনি" হায়বা ব্রাখলদু শাগৎতুনা জাপানদগী হেৎলকপগী ব্রাফম পুখৎপা ডিফ্যুজনগী ঈচেলনি।

লম অমদগী লম অমদা, ফুরুপ অমদগী ফুরুপ অমদা কন্ন-চরুনা শন্দোকখিবতুবু ডিফ্যুজন হায়বনি। একলচরেসন হায়বনা শাংনা লৈমিন্নদুনা কন্নচরশিং শোক্র-শন্নবদগী নাক অনিমক্তা নত্রগা অমদা ওনখিবা অদুনি।

ব্রাঙাং, শাজং, ফিজৎ-চাকচা, ম্নাহিপ-কমফম, 'মথল-মথাগী চাৎ-থক্রবদা শিজিন্নবা পাত্র ময়াম, পোৎলম কয়া ফংননবগী

পাম্লে ময়াম, অনৌবা ৱাখল, জ্ঞান-লৌশিং ময়াম পুকদুনা চৎনবা উগনি। ময়ুম কোয়হোং হোংবা, খুন্দা লৈত্তাদুনা মীতৱা ফুরুপ অমসু অসুন্না পুরুবা লৌরকপা কয়া পুনশিন্দুনা কলচর অমগী শক্তম মথং-মথং শেমগৎ-শাগৎলককনি। অসুম্না মচল-মাম্না কলচর অমা শেম্না হোংলকপগী থবক নৈনগনি। মীগী চৎনবী অমবুনা লৌরগা কনিগী অমবু লৌদবগে? শারিগা খোংগ্রাওগা মৈতে নত্রগা মণিপুরগী পুনীশিংদা কনানা হেম্না খুনদাগে? শারিনা হেম্না থুহনগে হাইবাদা কনি কিভনদা। থুবগে হায়বা নেনগনি। মাতোংদা ইং.গ্র হয়রিবা ফুরুপ অদু লোইনমক তম্মু হায়বস্তু য়াদে; থরনা লৌশিং-মপোপ মশক ইকায় কল্লদনা মখোয়গী ওইরবওন, চৎনবী খরা অমনা শেম.দাক শাদোকতুনা লৌশিল্লি। ফনেক মথক্তা খুদম ওইনা শারি মাম্না শেৎচিনলি। অনৌবা মীগী মতৌ অদু চুশনহল্লি। শাই ককলম্বা তোকখি—অনৌবা লৈতেং য়াসং, খোল্লোক কয়া পৃশিনলকই। পুম্নমক অসি ঐখোইনা মথক্তা পনখ্রবা চৎনবী, লাইনিং-লাইশোন, ক্রি.জং চাকচা, হিদাক লাইয়েং. য়ারি-য়াতাই, ঈশৈ নোংমাই হায়দুনা পনখ্রবা ফোকলোরগী মচক কয়াদুগী য়ানি।

য়াফম অসিদা অমুক্তং পুবা, মতৌ তম্বা, হৌখিবদা খিংবা খাকপ লৈতনা পুখিবগুম পুবা-তম্বদা হৈনখিবগুম উহনবস্তু লৈ। পুম্নমক তমলকপা ওম্বগী পুরুদুনা চৎনখিবগী য়াস্তু পুখৎনরকই। চৎনবী পুগে নত্রগা মতৌ অহু লৌরুগে তমলুগে হায়না পোৎ নত্রগা চৎনবীগী মশকতু পামলুবগী মহুত্তা মদুনা পিবা মগুন নীতি অহু পাম্বা মনুংদা থুপতুনা লৈবা ফজবা অহুবু পাম্বদগী পুখিবস্তু, মতৌ তমখিবস্তু লৈরি।

অদুবু ফুরুপ সমাজ অমগী মশক, চৎনবী হোংলকপদা হোংহনবগী মচাক পুম্বদা অচৌবা শাক্তু অমদি তিম্নুজম্না পিরি।

হোংবা-ওনবা, থুবা তপ্পা ভিক্ত্যজনগী থবক অমসুং শাকুনা তৌহল্লি। সমাজ অদুগী মরম্লাই ওইবা মচাকশিং ওনবদা হোংলক্কপদা মশিনা শাক্ক পিরি। মসিদি পুবা ঙমগনবা, মী:তৌ তমগনবা সমাজ ফুকপ্পা পুরু-লৌরুবা তমসুবা পুম্বা মখোয়গীদ চুশিনহনবা পনশিনখিবা, মখোইগী ওইহনখিবা অসিনি। ফুরুপ অমগী চৎনবীসি অতুক্কী মতিক ঙাক শেন্দনা অতৈগা থেংনহল্লবা-শোক্রুহললবতদা, তোয়না ইতিহাসকী থেংথাং কয়াদা অতৈগা শন্নহন্নবদা সভ্যতাগী তোয়না ওনবা থোকই; অতুক্কী মতিক অতৈগা শন্নহন্দ্রগা অরিবা মওং লেংদবা মতৌশুম থম্বা ঙম্মী।

য়ুমহোং খুলহোংবনা কলচরগী মশক ওলহল্লি; অতৈ ফুরুপকী চৎনবী শন্নরুবা থেংনরুবদগীসু মশক ওলহল্লি। অদুমকপু য়ুমহোং খুলহোংবা অমসুং অতৈগা শন্নরুবা অসিখক্তনা সমাজগী কলচরগী অহোংবা লেপ্পঙাই ওইবা অথাইবা অরোইবা খুৎলাইদি নত্তে। চৎনবী কয়া য়ুমহোং খুলহোংবা অতৈগা শন্নরুবদা হোংবগী চৎনবী মথং মথং চৎথখিবনা মীতৌ-তম্বা হোংবা অহুবা মওংদা পাইখৎলকপসু অঙকপা নত্তে। সভ্যতাগী থোংচৎ থুহনবতনি। অদুগা অহোংবা খুদিংমক অফবা নত্তে। অতোপ্প অদু লৌনিংলিবগী নুংদা ফুমলিবা পামজবা লম্বী অদু ময়েক লানা খঙবা তাবনি।

১৯শুবা শাতাব্দীগী তংখাইদগী পণ্ডিৎ ময়াম অমনা মীওইবগী কলচর অমত্তনি; মাম্নবা লিপুন ম্বায়েন অমত্তনা পুন্দুনা লে। অনেম্বদগী অরাংবদা অশুম ওল্লকই। তোঙান তোঙানবা মীওইবগী জাতি, ফুরুপ পুম্নমক চপ মান্ননা ইতিহাসকী পরিংদা হোংলকই হায়না পুখৎলকখি। ইতিহাস অসি মনিং তৌনা মথনমথন্নতা হৌদুনা চাওখৎচরকপা হোংলকপা ময়াম অমা পুল্লগা ওইরকপনি খনখি। মীওইবগী ব্রাঞ্চল পুকাচেল অমত্তনি; চপ

মায়ুপ্নবু মওংদা মথং মথং হোংলকখিবনি হায়নবা লৌখি। মখোইনা থাইবগী খারিখত্তদা 'যুক্রম' ওইদুনা অরিবা ইতিহাস শাগৎলবা লৌখি। অহুবু মোরগান্নদি হিংবগী অবস্থা অদুবু থাদোকপা লৌখিদে। চপ মান্নবা মওংদা মথন মথন্নতা হোংলকই হায়বা ইভোলুসনগী রাফম অসি অমুক্তা অনৌবা ফংবা কয়া হাপচিন্দুনা নিও-ইভোলুসন হায়দুনা ২০শুবা শতাব্দীগী ময়াইদা পুথোকপা ইতেল অমসু লৈরি।

পুন্নমক অসি পাইরু-পাইরুবা, নৈনরুবা ফুরুপতুদা যুক্রম ওইনরুখনি। অমেরিকাগী পণ্ডিৎশিংনা রেড ইণ্ডিয়ান নৈনরুবদগী অনেম্বা অরাংবদগী পুবা অদু হেন্না উদুনা থিওরি শাগৎখি। ব্রিটিশনা ওৎখাইরুদনা থমনগা মখোয়গী লোই-লম নৈনবদগী থিওরি শাগৎখি। ফ্রেনচ পণ্ডিৎশিংনা মখোয়গী চৎনবী কয়া, লান-লিনচৌংবা পুশিন্দুনা নমদুনা চৎহল্লগা নৈনখি —রাংউলোনগী অথুপ্পা খিখি। থিওরি শাগৎখি। রুশিয়ানশিংনা লোই-লম শন্দোক্নশিংবু অখিবগা লোয়ননা খিখি—ওলহন্নিংবা, লোইলমু নিংতম্বা পিবগী রাথসগা লোয়ননা। ভারতকী পণ্ডিৎশিংনা কাস্ট অমসুং ট্রাইবশিং, ফুরুপশিং পুন্দুনা অমত্তা ওইরকপা মওং থোক-পদু মরৈবাক্তা লৈবা ফুরুপশিং নৈনদুনা শাগৎপা হোৎনখি।

ফুরুপ অমা নৈনবা মাম্না লাইবা নত্তে। আর্ট অমসুং ফোক-লোর, ইকোনোমিকস অমসুং সোসিওলোজী, লোল নৈনবগী বিদ্যাশিং, ভূগোলগী বিজ্ঞান অমসুং অকোইবা প্রকৃতিগী ফিভম-শিংনা পিবা শাক্ত কয়া, যুমদা—খুন্দাগী নমুনা, যুমহোং কৈহোংবগী চৎনবী কয়া, জাৎ—ফুরুপকী মশেম কয়া, হান্নগী লেমহৌখ্রাক অমসুং অনৌবা জাৎ—ফুরুপ শেমলকপা কয়া নৈনৈ।

নৈনবদি কুইরবনি। খ্রস্টমাং অহানবা শতাব্দীদগী খ্রস্টতুং অহানবা শতাব্দীফাওবদা রাবোগী ভূগোলদা মী ফুরুপ মথন

চানিপান উৎলি। খৃষ্টমাং অহানবা শতাব্দীদা চীনাগী পণ্ডিৎ সম্ভুমা চিঙনা ইবা লাইরিক্তা নোংপোক এশিয়াগী মী ফুরুপ কয়া খুন্দাবা পিরি। অস্তুমা ললোনবা চৎপা, লমকোয়বা, ভুগোলগী মরমদা থিবা কয়ানা মোৎ কয়ামরুম পিনরকখি। চৎনবী কয়া ইশিন্দুনা থমুখি। রুশো অমসুং ডিডরোৎনা অঙাং ওইরিঙৈগী মুংঙাইরবা পুন্সিগা অরিবা চাওখৎত্রিবা সমাজগা চাং-দমুখি। মোনটেক্‌না চৎনবী, শাজং-লিচৎ পুম্বা মালেম পৃথি-বীগী ভুগোলগী অংকাসবা অতনা মশক লেপ্পি হায়না পুখৎলকখি

১৯শুবা শতাব্দীগী অওনবদা ফোকলোর খোমজিন্দুনা ফোংবা মী ফুরুপশিংবু নৈনবা হৌগৎলকখি। এল. জে. ভোন অবনিম অমসুং গ্রীম ব্রডর্সগী লাইরিক থোবকখি। মীথোলোজিকেল স্কুল হায়দুনা ঃ স্কুগী চৎনবিগী লিখুন হিখি। বাসটিয়ানগী 'সাইকিক ইউনিটি' গী ব্রা ফাওগৎলকখি। মায়া চাওখৎপা হান্নগী মফমদগী কলচর হায়বসি চৎখিবনি হায়বা ডিফ্যুজনগী ব্রাফম মমিং চৎলকখি। ফ্রেনচ পন্দিৎ লেভি ব্রুহল্লনা লোজিক্কী মমাংগী পর্ব্ব অমা ওইনা নৈবা প্রকৃতিদা মীনা লাই-তিনগুম্ব লোইনদুনা লৈবা উৎলি। মসিগী ব্রাফম ড্রুরখাইমগী অপুনবগী ব্রাখল কয়া ২০শুবা শতাব্দীগী অওনবদা খোরকখি।

পৃথিবীগী অহানবা লাল মতুংদগীদি ফ্রেনচ পণ্ডিৎশিংগী মীৎ-য়েং লৌতুনা মেলিনোসকীনচিংবা পন্দিৎ খরনা হোংহনলবা সমাজ কয়া নৈনতুনা ফুরুপ কয়া নৈনদুনা সমাজগী করিগুম্বা দরকার লৈবা থৌদা পাংথোক্রবা চৎনবীশিং অসি লৈরিবনি হায়না পুখৎ-লকখি। মসিবু ফংসনেলিজম হায়না ফাগী করেম্নদুনা মমিং থোনখি। ব্রিটিশশিংনা মখোয়গী লোইলম শন্দোক্রবগী ব্রাখল লৌশিং কয়া ইন্দাইরেক্ট গোর্ভমেণ্ট লিংনবা ফ্রেনচ পণ্ডিৎশিংদগী লৌখি। ১৯৭০ অমসুং নিফুগী চহিশিংদদি হান্নগী ইতিহাসকী খোঙচৎপু

থৌওইনদবা মীৎয়েং অদু অসুম লাকতুনা জর্মন্দা 'অথোইবা জাতি' গী ৱাফম হিট্লরগী জর্মনীদা পুখৎলকখি। অাইন শেম-দুনা লৈঙাকপশিংগী ৱাথনলোন ফাওবা ওইহনখি। সিগমোণ্ড ফ্রোইডগী ৱাখল লৌদুনা অমেরিকাদা কলচর হোংবসি চাংৎচতা মীশিং অদুগী লৈরিবা ৱাখল-পুকচেল অদুনি হায়না পুখৎলকখি।

অনিশুবা তোল মতুংদগীদি লেভিক্লিফ ৱাওন্না অরিবা সমাজগী কান্নাৎ নৈনখি। লেভি স্ত্রাওসনা ইনফোরমেসন থিওরী অমসুং সেমিওটিকসকী পান্থ শিজিন্নদুনা নেরোন-তিনলোন ৱাঙী কয়া নৈনবা হৌরকখি। অসুম্না কথ বেনিডিক্টী ইথনোসাইকোলোজিগী স্কুল, হর্সকোভিত্সকী কলচরেল রিলেটিভিজম, লেসলি হোয়াইটকী নিও-ইভোলুসনিজম, রেডক্লিফ ব্রাউনগী স্ত্রকচরেলিজম অমসুং স্ত্রকচরেল লিঙ্গুইষ্টিক্স অমসুং ইনফোরমেসন থিওরীদা য়ুক্ষম ওই-দুনা পুখৎলকপা লেভিস্ত্রাউসকী চৎনবী, থাজবী অরিবা সমাজগী ৱারি-ৱাতাই ঈশৈ কয়া নৈনদুনা পুখৎলকখি।

নৈনকুরগা হায়দোরকপা ৱাফমশিং অসি মখোইমা পায়কুবা খুৎলাই, নৈনকুবা লোকশঙ্কী ফিভম অমসুং ইতিহাসকী খোংচৎ অদুগী মখা পোল্লি।

অসুম্না অরিবা হান্নগী চৎনবী লৈবা ফুরুপশিংবু হকথেংননা নৈনবগী মথক্তা সমাজ অমদা লৈরোল অনি নাইনা লৈবা লিরবা চৎনবীগী লৈরোল অমা অনৌবা অমা। মীৎয়েং অসিদা য়েংলগা ১৯শুবা শতাব্দীগী ফেক, ২০শুবা শতাব্দীগী অহানবা তংখাইগী ফোক অসিনচিংবা থোরকখি। অমুক্কসু ছাত্রবু ওইরবসু, অঙন্দা উয়ানবা ফুরুপ অমদু ওইরবসু মখোয়গী শিন্থা-শিনলম য়েংদুনা ফোক হায়না অমুক্কসু কৌনরকখি। অসুম্না মী ফুরুপশিংগী কলা-বিদ্যা মহৈ-মশীং, ৱাখল লৌশিং নৈনবা বিদ্যা অমা ফোক-লোরনা ওইরকখি।

মমৈথংদা অমেরিকা অমসুং নোংচুপ ইউরোপকী লৈবাক কয়াদা সমাজদগী পুরা থাইদোক্লগা অসিগুম্বা অরিবা ৱারী কয়া নৈনবগী মওং-কয়া অমসু পুখৎলক্লে। চৎনবী কয়াবু লিলাগী প্লোট ওইনা উদুনা, ৱারি কয়াবু অসুম্না উদুনা চৎনবী অমসুং ৱারি পুম্বা লিলা ওইনা উবা পন্দিৎ কয়াসু থোরকখি। নুং মাস অমা উবদা নুংনা যুম শানিংবা অমগা, পুংগী সন্নাইয়াব অমগা য়েংবা মীৎয়েং তিম্নদবগুম তোঙান-তোঙান য়েংনরকপনা পন্থুং অমা চপ মান্নবা ঙমখিদে। খুদোং থিল্লিবা অমদি মখোয়না পৃথিবী পুম্নদগী মচাক গুনা খোমজিনবা ঙমদবা অমসুং মওং-চানা মান্নবা খেননা কয়াগী, অহোংবা কয়াগী ৱায়েন নৈনদুনা পুথোকপ ঙম্মদবা অসিনি।

হিরম কয়া অসি য়েংলুবগা মণিপুর অসিদি ফোকলোরগী নৈননিংঙাই মচাক কয়া লৈবনা থিওবী কয়াগী অচুম-চুমনদা, অশোয়-অঙাম কয়া উৎপদা লোয়ননা থিওরি অমা শাগৎপদা মতেং চাওনা পিগনি।

মমাংদা মী হোংদুনা মণিপুরদা লাকখিবা, পুমহোং-গুনহংবগা মরি লৈননা ৱা পনখ্রে। ঐখোয়না হোংলক্ত হায়বসু য়াদে হোংলকতুনা লাকপদা মী থেংনখিদে হায়বসু য়াদে। ফুরুপ কয়া শম্নদুনা নক্কদুনা মীওইবা ঐখোয় লাকখিবনি। পুরুবা লৌরুবা, মীগী মওং-মতৌ লৌরুবা লৈতবসু নত্তে। অসুম্না হোংলকপা লৈখিদবসু নত্তে। ময়াম নক্কনা লৈমিন্নবদগী হিংবগী অবস্থা কয়া, হিংনবা হোৎনবগী লড়াই কয়া থেংনতুনা চাওখৎলকপা হোংলকপা লৈখিদবসু নত্তে। মমীৎ লাওবা, মশম খোইবা, মনা পাকপা, মনাতোন লাওবা, মনাতোন শাংবা, তোরোগী মশম্না য়েন্দং শাবা মথিক নেম্বা ৱাং-চাওবা পুম্নমক তৌনিংদুনা তৌবা নত্তে। প্রকৃতিগী অমসুং সমাজগী অবস্থা কয়ানা ওইহনখিবনি। সমাজ অমসুং প্রকৃতিগী [illegible] ইতিহাসকী লৈরবা থোংগাং কয়াগী মতংইদা

হিংবগী লড়াই থেংনরকপদা ফুরুপ কয়াগী শক্তম, চৎনবী, লাই-নিং-লাইশোন হোংলকখিবনি। কনাগী চৎনবীবু; লাইশোন-লাই-নিংবু হস্তবনি কনাগীনা অৱাংবনি হায়বা মথক্কী ফিভমশিংগী মখা পোন্না লাকপনা থোকপ পোৎ ওইবনিনা হায়রুনিংঙাই ওইদে বুদ্ধিজম থোক্লিংঙাই মচাক কয়ানা ভারতকী লমগী চিদাইদা, ভারতকী শরুকশিংদা বুদ্ধিজম থোরকপনি।

মথক্কী নৈনবা কয়া অসিদগী ফোকলোর অসি হিরম কয়া, মীৎয়েং কয়া, খুৎলাই কয়া শিজিন্নদুনা থিগদবা মদুগী মচাক কয়াসু লম অসিদা লৈবা মরম্না নিংথিনা পৃথিবীদা লৌশিংগী চাকথুং য়াবা পিবা ঙমগদবা হিরম অমা ওইরে হায়বদা থোইনা য়েৎননিংঙাই লৈত্রে। হান্নগী পুয়ানি হায়রিবা লিশিং হেন্না লৈবসি হান্না খোমজিনলম্বা ফোকলোরগী মচাক ঙহত্তনি।

মিৎয়েং কয়া, পান্নে অমসুং লম্বী কয়া অসিবু শিজিন্নদুনা থিবা ঐখোয়গী ইথৌনি। হান্নগী লাম্লে হায়না হুন্দাক্লম্বা কয়াবুসু নৌহৌননা য়েংবা চংই। অনৌবা পণ্ডিৎশিংগী মীৎয়েং অমসুং মখোয়না ফংলিবা ব্রারোই কয়াবুসু নৌহৌননা য়েংদবা য়াদে। পোৎ অমবু থিবা খঙবা হায়বসিদি পোৎ অদু য়াম্না মখল-মথেল থেংখাং অমসুং শাংলবা মতমগী ওইনা মরাংকাইনা ফংবা তাই। পোৎ অদুবু থিবদা চংবা খুৎলাই মখল কয়াসু ফংবা তাই। মখোয়বু নৈনরুবা ঙমনবা খুৎলাইশিং অদুবু নিংথিনা শিজিন্নবা হৈবা তাই। মণিপুরগুম্না লমদদি খোমজিন্দুনা হান্নগী লিশিং হেন্না লৈরবা পুয়াশিং অসি ফাওবা নৈনরুবা ঙমদে। ফোক-লোরগী বিদ্যা অসি পোকপ ঙমদবগুম লৈরিবসিদা মণিপুর ইউ-নিভরসিটিদা হাংনবা হোৎনরকপা অসিনা মতেং পিরবা য়াই। অপিকপা নৈনবা অসিদা পান্নে অমসুং মীৎয়েং কয়া লৈ হায়বদু পনবথত্তনি। পান্নে কয়াবু, কনসেপট কয়াবু লোইনা উৎপদি নত্তে।

লোইরবা

"Folklore Neinabada"

(A book on the study of Folklore based on the Manipuri nationals with methodological issues and the concept of Folklore).

অহানবা থুংনম — মে, ১৯৮৮ ইং

কোপী মশীং — ১০০০

অফোংবা — অইবা মশামক

কোপীরাইট — অইবা

ফংফম — মণিপুর সাহিত্য পরিষদ অমসুং অতৈ দুকানশিং

মমল লুপা ১০/—

নম্ফম — বি আর প্রেস, থৌবাল।